শরৎ চন্দ্র

অনুরাধা



সংকলনা

রঘুমণি শর্ম্মা

শরৎ চন্দ্রশী

অনুরাধা

ছন্দোকথা

মধুমণি শর্ম্মা

কোংজবী :—এল, সন্ধ্যারাণী দেবী ।

ব্রহ্মপুর, অহাবম ।

অহানবা থুংনব—১৯৯১ ইং

কোপী মশীং—১

মমল—লুপা ২৫/-

ফংফম ঃ দেবলা বুক ষ্টোর

মসজিদ রোড, ইম্ফাল ।

মপ্পম—দেবলা প্রেস, পাওনা বাজার, ইম্ফাল ।

ৱাহৈ অনিদং

ঙাক্লেং ইৎথদা খোইদোক্লা হৈ-শিংলবা সাহিত্যকার শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী ভারতকী লোন অমাম্বদা অনুবাদ তৌরবা, লোন কয়াদা ফিদম পুখোকপ্রবা "অনুরাধা" হায়বা ৱারীমহুন্নি। লাইরিক অসিদা সাহিত্যকারগী নিংথিরবা থুংডমা কুপশিন্না ইন্নি মহুদি, শহরগী লাইরিক হৈবা, ঈমাকথুনবা, বিলাত চৎত্তুনা লোংচুপকী সমাজদা য়াওমরুরবা হুপা অমগী চাউথোকপা, ভারতকী সমাজবু হন্থনা উত্থবা অহু খুদংগী চয়বা পুন্সি লেজিবী, লাইরিক হৈতবী, মশক কঙদবী, লাইরবনা মমুম কাওবা লৈত্রবী, অহুম ওইনমক মপুকচেল চাউবী, হুপী অমা ওইবগী হোৎনশা মমা ওইবীগী গুণ চেনবী, মীগী তৌথিবল খঙবী, অতিথি সেবা হৈবী অসিন-চিংথা গুণ কয়ামা লৈতেংলবী লৈশাবী অম্বিবী অমগী মাংদা লেমা (উন) হুংশা মঙালদা তুমথিবগুম তুমথিবগী ৱারীমা মপুং ওইহনা ভারতকী শহরগী সমাজ অমদি খুঙ্গং-সমাজগী খেননা উৎলি। ৱারী অসি লোইশিনবদা লোইহন্নিংদবা ওইনা পোকপা য়াই, মখা পানিংবগী খোইরাংবনা থম্মোয়দা চৈথেং পীরবা য়াই। মহুনা ৱারী অসি পাকহেক কাউথোকপা ঙমকদবগুম তৌই।

অসিগুম্বা শরুক্কাইবা অইবা অমগী থাক য়াংলবা লাইরিক অসিবু ঐগুম্বা কবিস্নু খঙদবা অপঙবনা অনুবাদ তৌবা হোৎন-রুবদি অডাং মডানা মৈ কীদবগুম্বনি। অহুগী মথক্তা অতোপ্পা

লোন অমদগী অতোপ্পা লোন অমদা হন্দোকপা হায়বসিদক য়োইদোক্লা অশোয়-অভাব খোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুগ ওইনবক লাইরিক অসিদা পীরিবা মমল নাইত্রবা মহাওদু পীথকং-কবনা মণিপুরীদা হন্দোকুম্বা পাবিরিবশিংগী মিংথেং-মাংদা লাক্লোকচরিবনি।

মরুপ-মপাং কয়ামা তাকপিরকপগী মতুং ইন্না লাইরিক অসিদা শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী শন্নবা পুন্সি বারী হাপচিল্লে।

লাইরিক অসি নম্বা মতমদা মখং কয়াদা তেংবাংবিরিবা, ঐগী চায়থবা মরুপ ওইনা লোয়নবিরিবা ম্যুংশিজরবা ইমাও-ইবুংগো শ্রীকরামুদ্দিন পুশ্রীময়ুমগী মকথদা তৌবিরবা থগবা উচ্চরি।

অনুবাদক —

অনুরাধা

অমা

নিঙ্তোলগী লুহোংবা য়াবা চহিগী মরমদা থোইদোক্লা মীনম্মা হাজিমবা য়ারিবমখে ফনা হায়রিজিন্দুনম্মু চহি মতাং লৈখংগ্রে। লুহোংবগী আশাসু তামখ্রে। 'হৈমা, মহুনু কনি বানো!' মসিদগী হৌহুনা মিং খুপতুনা কন্যাগী মচা মশীং হংহুনস্তু হৌজিক কনাম্মু অমুক মপুক্লিংদা মোক্লিংবা পোক্লে, কৈরোই-লৈকাইদা কয়েম্না অসি কাওবা ঙম্নখ্রে। অসিগুম্বা দুশাগি অনুরাধাগী। অহুম ওইরমক থোদোক অসি মুগ অহুগী মতে, থোইদোক্লহুম হৌজিক-কালমকোনি। অসিগুম্বা মতমসিদসু গুপ্নগী শেল-থুমগী খিতম, পক্কা-পক্কদবা অমম্মং শাগৈ-জাতকী থমবদা মতৌ অহুম্মা থোক্লিবনি— অনুরাধাগী চহি কুনহুমদোই লৈখংখ্রে, থম কংদে —য়াকম অসি তম্মায়-কন্নারুনা থাজবা ঙমদে। অহুম ওইরমক য়াকম অসি অহুবনি।

অমুক্তা বারী অসিমক চৎখিবি ওসি জমিদারগী অফিস কাথা। অমোবা জমিদারগী মমিং হরিহর ঘোষাল কৌই, কলিকাতা মচানি—মাগী মচানুপা অতোপ্পা বিজয় খুদংদা লাকই।

বিজয়না মচিন্দগী চুরুট কৌথোক্লুনা থম্বগা হায়রকই, "কদি হায়রিবা, গগণ চাটুর্য্যেগী মচনুপীনা য়ুম থাদোক-লোইদৌরিবা?"

পাওি পুরক্লিবা মুপা অহুনা হায়রকই, "ঐনা হায়রিংলিবসি বাবুমচা লাক্লগা মশামক্তা হায়গনি হায়রকই।"

বিজয়না শাওহনা হায়রকই, "মাগী হায়রিংঙাই করি লৈরিবা! মসিগী অর্থদি মথোয়বু তাদোক্লুবা ঐ ইশানক চৎপা তাবনি। নী পুন্নুনা চংকত্রা?"

মুপাহু হুম্মিন্না লৈ।

বিজয়না অমুক হায়রকই, "বা হায়নি ওই মগী কমিম্ব লৈবা মত্তে বিনোদ, ঐ কমিমক্তা তাদোহ। অদুম ওইনবদ মনুঙীদমক ঐ ইশানক চংপা তাই মাগী মনাক্তা—মহাক মপানা লাক্লুনা মাগী খুদোংচাদনা থক্তহনবদি মাদত্রা?"

বিনোদনা হায়রকই, "ঐনা মহুস্থ হায়রবনি। অনুরোধানা হায়রকই, ঐস্থ ভদ্রলোক ইমুংগী মিংচৌনবি বিনোদ-দাদা, মুম থাদোক্লুনা কমিতুবা চংপা তায়রদি মশামক্তা থক্তহনবগা চ:পংনা চংখিবা পাস্পী, মপালদা হমা হুম্মা লোয়কপা তঙ্গ্রাই।"

"কদি মথিং হায়রকলোমে, অনুরাধা? মথিংদি মাপা ভুম লৈনা উই—অহনা ওইদ্বিমিনে হৌজিক কাওবা লাপাল থাক্লিবা?"

"থাজি আজ্ঞা।"

মিশোদ থুঙংগী মীচি, অনুরাধাগী অরাপা মাপী মহাকমক্তা ঙমখিবনি। অদুবু থোইনা কুইরক্লিবা ইতিহাস অসিগী থেম্না কুইরবা ইতিহাস অমা লৈ – মদু ঙমগে।

থুঙং অসিগী মমিং গনেশপুর কৌই, মোংমা মসি অনুরাধা-খোয়গী ওইরম্মী, থুংখাং লাক্লকখিবা চহি মক্তা ফায়ে। সম্পত্তি অসিগী আর লুপা লিশিং অসিদগী হেন্দবা নত্তে, অদুবু অনুরাধাগী মপাবুং অমর চট্টোপাধ্যায়না খরচতি লুপা লিশিং কুন তাঁয় লাকপগী মতৌশুম্মী। অদুনা শেন্দোনগীদমক মুন-ইখোল কাওবা তিক্রি জার্দিখি, অদুবু নিলামদি লাউখিদে, মহাজনা কায়কুমনা তোকখি।

চট্টোপাধ্যায় মহাশয়গী শাগৈ-জাত বাংবা অদুম্মা মাগী জপ-তপ ক্রিয়া-কর্ম্মদসু মমি চংলি। তোলিহাইনরবা অকায়বা সংসার-হিরু কা-হেম্না খরচ তৌখোকখিবমা ঈশিং হাজিন্দুনা লুকেং লুখেং তৌরম্মী, অদুবু লুপখিদে। হিন্দু-ধর্ম্ম চেংনা ঢাকপগী মঙ্গলগী নোদা মীয়ামগী ভক্তি-শ্রদ্ধা হৈথখিদনা লুপ্লিং লুপ্লিং তৌরখা হিরু থোন্দুনা অমম্ব চাটুযোগী আযুগী অয়োইবা ওমখৈ লাম্হোকখি। মরম অদুনা চাটুযোগী মপুঙ্গি মঙং অমদা যাইকনা লেনখি। মহাক শিখদসু থায়া চাউনা, শ্রাদ্ধ-শান্তিদসু য়াম্না চাউনা পাংথোকখি; অদুবু সম্পত্তিগী অয়োইবা ঢাকক ওইখিবদি মতাংন্দিদনি।

মোংমা মনাতোম্বং লিখংতুনা মখিংদা ওইনা তাউহনা কমিত্তুনা মওং অমদা শেংখ হোমদা হিহ হন্দক্তি 'বাবুখোয়গী মুমংগী মর্ষাদা থিবিক্তা লোয়মনা ওমখৈ নাইদবা ঈরোয়্ংবা লুপথখিবদা মতম চংখিদে।

মপাবুং শিখিবদা মচানুপা গগন, ফংহৌবা হায়ববু মপা-মপুগী কুয়োমদা ওাইরবা ডিক্রি জারিরবা য়ুম-ইম্মোল, শেন্দোলনা থুমহংলবা থুঙ্গং-সম্পত্তি, যণ-হামেং-জুই-হৌদোং খরহম্মি অমসুং মথক্তা নত্রগী মপাবুংগী অহিংগী সুশীলা পোক্লগী লুহোংত্রিবী মচ মিন্তোল অনুরাধা।

হন্দক নুপা অমা ফংলে, থুনশামক্তা তত্ত্বাল ক অমা। মচা নুপা-নুপী মঙা-তরুক অমসুং মত্ত নুপা-নুপী থনম্লগা মহাক্তা নুপী শিখিবা চহি অনিরোম শুরে, মহাক্লা লুহোংবা পাম্মী।

অনুরাধানা হায়, "দাদা, লাইবক্তা রাজকুমারদি তম্মত্রব-নিনা মহাক্লা এবু মফম অহুদা থাজন্দ্রিরো।"

গগনা হকুনা হায়রকই, "মহ করি বানো! ত্রিলোচন গাঙ্গুলি পৈশাদি পায়, অহবু মহাক্তা মথৌমা শাংগেগী ইজং মাংহন্দুনা চক্রবর্তীখোযগা চারো-মোরোনখি হায়বা খঙদত্রা? মখোয়গী করি লৈরিবগে?"

মচৌ সুশীলা হায়রকই, "করিসু লৈত্রবসু শেল লৈ। শাংগে-জাত্ত কোন্দুনা চম্না হেন্দুনা লৈগদবগী শরুকপুম্দি চাক চথোম অনিদং ফংবনা হেম্না কৈ দাদা!"

খাগয়া মচক হাইহনা হায়রকই, "ময় হাদে — ময় হৌবরা নাত্তে।"

"কদিদনি হৌবরোইদৌরিবনো হায়রিবু? বাবাম্ম পুম্বক মমু তাক্লা চংলমখী, মহুৎ মহাক্কি মহুৎক্কি বাক্তদবা।"

মতাংশিদা নমরেইবা মরুকাৱ ওই, মপাবুংনা পুর্বদা লুহংলগুম মচাহুপাদি লুক্তে। মু মকই, মা চাই অহুমা অকেঁ'মা শাবমচংকী ওইবা মৌঅং অমমতু মহাক মপুংফাবা। খুদনিবগী মীশক্তি। মাগী মুদী শিবিবা মহুৎনগী অতোপ্পা খুদং অমগী কমচো মাত অতোপী বো অমগী অৱাং-মপা ও'সমু যেংনিবি হুক্লবি মী খুদিংমক্তা শঙ্করিবনি।

খগয়া ইজিত অমু খাব খাদে, অংহুনা হায়রকই, "ঐ কাবদবগী পর্বদা কদোমা খাক্তা ঐঙোন হৌরবা বাই, অমুমু মিতোন য়াজবদা শাৱৈগী চংমক্লিবমু মহাকপকোদমক খুপারহনা পুরোম ওয়াথবি অয়ক তাহলগরা? কুঞ্জী মচা-মতৌ, অবাংদা থাকী বাখোয়ি ঐখোয় — চৎলো চৎলো, অহুক্লা য়ারেমমু মচিন্না অমুক হন্না পনগন্দু।"

অদি হায়রগা মহাক শাউহনা চংখি, ত্রিংলাক্তন শাহুনিঙী থাকত অচ মতাং অনিমক্তা খুপচিনখি।

খগয়া হম্মিহম যোথানদা হায়রকই — কাত অমগা তাঙ্কারু দীঙ্গম তোনমকপী থাহোক্লমবিরুরা।

কলিকাতাদা তৌগী কাকায়না হম্মিহম থাকনখি ওইরি। কচম অমদা য়াগী মাথাগী মুম খুদম অদিদা চৈলমখী, মতাং

[illegible]ডিগী থাবুথোরগী থাইকনা মুখিং কয়া থহাক থক্বিনক্লা উবি. ননক-খোরম কয়াদা মপুক থনা থম্না অহাও-অহুং তম্বি; লৈমকম অহু থহাকী মকমদি অমাম্না মক্তা, অহুনা থহাক্লা খাবি। চাউখোবনা তোনবা লেংশোল শিংদোক্লিহুনা থক্বিরক্লা মবেলপু লৈখি, হুইখোবগী ভিকলী লৈমকম [illegible]কপিহুনা মুম-ইথোল হন্দোকপিখি, ওমগী চিমখুদো খানখি অহুদি, মনালগী কা থম্বি-অহুম ওকিস থইনমবগী থাদোক্লকা অদৈ অমুং থংবা শীক্লকমই অদি মথোম্না লৈমখিবা অহুম্না অহুম ইম্লানিপ

থুলহুদি লৈবে, অহুমু থেকাশিনো মহু থাখিংবে। অম্পাক্তি পিকই, আম থজিতনি, মরম অশিমা কবিগুনা মথকপী থাবৌশা থৌশং থমড়া পাঁয়মক্পা থানে; অহুমু, থজিতম অহুনা মগম্লা শাথবিবা লৌশিং অহুনা ইলিহকপী মাইকৈগী কর্মচারী মমকা [illegible]নপুমনা তং-তানা লৈবা [illegible] মমৈথবা শম্মাবু মশামকা [illegible] মহুক ইমা কর্মচারী হাথি; হায়থদি হাবগী মম মপুম্না হৌকিক্লী [illegible] খোমজা পায়রমী। শমকাবনী থামজা [illegible] [illegible] মপু [illegible] হম্বিরম মাখোক.হৌই, অহুমু থাখংগী [illegible] [illegible] থামগী মহু মতাম। লৈশা, অমা থাকপা অমা থামক্তে। মতৌ অমুম মহুম-মমাং থমনা মহু থাবি হৌখি, অহুগী মুমা থক্লহৌবগী খোমজা মেমখামুমবু গগম চাউখো থিবা কপম হাযনা পাউ লাক্কই। খেজ, অকিম্পাগী হুইরিবগী থা [illegible] থিক্তমকপী থহুবি খোম্লংথিবা পুম্মক পুমুমা লোংদা হারবা। তাম্রবি চনবা, পুশিংগা থিংগুই

তৌনা, অনুরাধা চংহনা খিব-হুবন্দ্রিংগী মরক্তা লৈবা পুম্নমক লোইরে। অদুবু শেল কংদে, লমন থিবা কাদে। পামনগী মচম- নুপী অনুরাধা লাপ্লবা মখুগা মচেনা লৌক্লগা মচানুপা থাজাং অমম্বা নৈ, পুলিশকী কাংবুনা মহেৎনা হোৎনবী মখুং, ইমা চংখোংডুনা কয়া থিগৎখি, অদুবু কমিগুম কানবা মতেং অমত্তা ফংখিদে।

বিজয় বিলাতকী হলকপনি। মহাক্কা হয়া হয়া পরীক্ষা কেন ওইবগী মহাও অংবদা হরিহরবু শেল য়ামা ফিংহনখ্রে। মহাক পাস তৌবা তুমদে, অদুবু থেংনরকপদগী থক-হৈরকপগী মতমগী মথক, লৈনা শাউগনবা মীশক অমা ওইহনা চহি অনিগী মথাংদা মহৈরবাক্কা হলকখিরনি।

বিজয়না হায়, বিলাতকি [illegible]-কেলগী থেমবা অবত্তা লৈতে। লাইব্রিক চিনবা পুহনা পাম্ন তৌবদি শাথা কাওবনা চঞ্জ। মহ শাম্নবদি মহাক লম অমিদা লৈনা লৈনা অদুম লাইব্রিক চিনবা পুরকপগদবনি, মুরোপ্পা [illegible]বনি।

মহাক্কা করুমদা হলকপদগী [illegible] তৌবদা মপুক্কিং থিংজিনখি। [illegible] শিক্ষাগী মথুংদা মিংচৎ শাগোক্ষি,— [illegible] মহাকপু কৈগী মতৌগুম কৌনে। থবক্কা মথুংদা শোক্[illegible] [illegible] ফংবা অমিগুম মতম অমিদা মনেৎপুরগী শাউ থুরৈ।

মহাক্কা হ.মরম্বী, মসি হন্না থজবা লাইবক্তি, মপাবুংনা তৌবা নংক শুদিংমক অমুক্কা তৌই। অদুবু উপায় কৈতে, খৌগাহোৎনবা

য়াদে—মতু থেংশিন-খিঙ্খিনুমমধা ইশাথক চংদগা ফিভম অমা শিন্নুদবা য়াদে। মসিগীদমক্তসি মহক্না গাংলশমুরবা শাক্লিরবনি। অদুবু মহাক থবক মতা অমগীদমক মতম শাংবা থুমহৎলা লৈখোকপা য়াদে, য়ায়িমখৈ খুনা ফিভম অমা শিন্নগা মহাক কলিকাতাদা হলখিবা ভাবনি। থবক পুম্নমক মহাক মতোমগী মথক্তা নাক্লিবনি।

মহাক্কী মরুপশা অমম এটর্নি নি। কাহেমা মপাগী ওইরবা নি, মপাগী ওফিস অনম্নুং মতু-মচাগা লোয়নমা থংজিন্দুনা লৈ. সংসরগী হৃয়ম পুম্নমক্তা মমিং তাংহঙ্ক, ভপ্রগী যেন্দোক্লবগী মতাংদদি মহাক্কী মমিং জোড়া অমু জোড়া শন্না পাইরম্মী। মাগী মুপী প্রভাময়ী কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়গী গ্রেজুয়েটনি, ইমুংগী থীশিংবু যেংশিনবদি থ্রনব বাকপ্ন, মনেম-মচু হিংলিজ্ঞা হায়বা কাওবা থেংশিন্নুনবা মতোম্না মতা শংদে। মুপগী কা মতা-ভক্তক মখোয়মা দখল তৌদুনা লৈনখিবা অহগী মচুংদা মশাগী পরিবারগা লৈমিন্নদুনা লৈ, মখোয়গী থীবাহু-থীশন তে হৌজিল—ভুড়া থেরিয়. থম্বা। অহগ ওইরবা মুমু থমগী অকনবা অখিংবা লৈবদগী ভলিকাতা মুসলমান বাংমুচি থবক্লিবনি। অমুংগা অসিনা প্রভাময়ীদা মৈচাক পী। মচুখোক শিরবদি ফিভম অসি হোংদোকপগী আশা লৈ। মনাও-মুপা বিকমু মহাক্না মতম চুম্লপা থোওইদে, ভপ্রগী বিলাতগী হলক্লবা মচুংদা মহাক্কী মপুক্নিং থমখৈ হোংলকপা ভই। থনি-অমম্রক চাংকৌদুনা মপামক্তা খোং-থাক্তুনা মনাও-মুপাবু ভিলম্ব পীরিব, মথম অমুদা

মনাওবুগী অবিভাবগা বিবাহগা পক থংনবি। মথাক হৌজিক থি: এ: পরীক্ষাদা ওনার্সতা পাস তৌদুনা এমঃ এ: তম্মিনবা হোৎনরি।

বিবাহগী থুগী লৈরে। থুগী শিঙবা তুংদা মথাক বিলাত চৎলুবনি। মতম অমুখা মহাক্কা বরি তৌরকপগে তৌরকদবগে তাবনা থিগৎলুবগী কাংবা লৈতে; অদুবু হয়কপদগী হৌনা অমুক কুইবনিদা থুগীশিংগী মথিদা মহাক্কী ঙাঙ-শাঙাং থম্না কন্নৈ। মথাক্না লুহোংবগী বা পম্লবদা মহাক্না লাউ-খোংহুনা যানিংদবা উংহুবা থুংলাই থাদোকখ্রবনি। মতম অদুদগী হৌনা হৌদোকখিবা থাকম অমু মকম-মথাং অদুম থংখিরে।

গণেশপুরদা লাক্লগা এখা অমগী থুমগী মনাংথংবা কা অমি লৌদুনা বিবাহনা থাকম থৌনা হাংলে। ওফিসকী চে-চাং পগনগী থুমগী অকংবা থবনৈথু মমহুনা পুখক্লগা মকমখিদা থরে অমমুং হৌজিক মহাক্কী মচানুপী অনুরাধা অমমুং থাম্মুবা মখিগী মচেৎনা পোকপা থুগাইচাহদু তাংহোকখিদনবা হোৎনরি। বিনোদ থোবকা হৌজিক্কা মদুমক তাম্মুমিরবনি।

কলিকাতাদগী লাকপদা মহাক্কী চহি তরেৎ-নিপালদা তাইখিবা মচানুপা কুমার লোয়নদুনা পুরকই।

থুমংগী লিন-থাং কৌদুনা মথাক্না বিংবদা বিবাহনা হায়রম্মী, "ইমা, মহাক্কী মৌ-অহনগী শক্লাইদা মহাক্কী কেথোক-মৌথোক্লবা থক থুগা-থুগীগী অথাংবা লৈতে, অদুবু মাবুদি অদুত্তমদু ওইদুনবিগদবু। অথা-থুংনাই নত্তা কী ওইহনু।"

ৱিলাতকী শাহেবশিংবু অদোম্বু [illegible] হাইবগী [illegible] তাই। অহব শাহেবশিংগী [illegible] নত্তনা হৌরম [illegible] অরোয়বা রাকব ধরম্ব নৈ। বিকরনা বিলাতা চংশিনৈ মতম্দা মুম্বা [illegible] অসিবু থরমদৈ খৌরুইদুনা [illegible]। মহ কী লোল্লুব-ম্যাদম্বরী [illegible] মতমদা কম্বেরা নৈ, [illegible] [illegible] অদিন্দ মানা মুমুল-মথুম নৈহুনম [illegible] [illegible] [illegible] নৈরমদে, অহমা [illegible] অদুগা [illegible] চাউরক্খি। [illegible] [illegible] পাম্বৈ অসি বিরুদকী [illegible] পৌখি।

[illegible] চংকমদাবদা [illegible] [illegible] [illegible] উংতুনা [illegible], "[illegible] 'পুনসেবিতা [illegible]-ইমুংতে, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নৈতৌনৈ [illegible]?"

"[illegible] থুমা।"

"[illegible] অহৌদা [illegible] মুম [illegible] থাবানা নৈ হায়না তাখি।"

"হোয় নৈখি, অহবু মখিংদা ওইনা নৈখিবদি, [illegible] [illegible] মত্তে ইতৌমা। মুনদি [illegible] দখল তৌদে।"

"অহবু মহাক নশামক চংলবমিনা ইমা-ইমুংতো, মতম [illegible] দখল তৌশিন্নবদসু খিন্নরোই।"

"[illegible] মহুমক তৌখিবনি।"

"দখল চংলবদিমে পাউ খিদনা শীংকদবনি।"

"কমিগীনো ইতৌমা?"

মরিগী লাউথুমদা লেপ্লম্লবীনা হায়রম্মী, "নকইদুনা এদুরং হায়রবর ইথিল্লা অমুক্তা উবক্তি, নোংমা চৎতুনা, মেংবুনিদনা। অনিগা লীক্লা কালেজ থিংশি, মাস্থ লেম্বরবক্তদোউবিরদি।"

এখোদোক্কিবা বায়ন অসিদা বিক্রমনা খেইনোম্বা মতিক হয়রক্লা হায়রম্মা, "এপুর দখল নবেগর পাউ হেক্তা থীরকপি হৌবা, মকুমহৈদা ময়বক্লুপদি য়াগোইদোউনি। নম্বুওমুশীগুর পুবিরকউ।"

অনিতা মপুং-মতৈ কায়রবীমি, মহাক মশক-ময়ুভো -রবে অকনবুং অনাপতা থিঃ এঃ শাদ তৌরে। অচবা মুগীশিংগী মায়োক্তা বিজয়গী খ ইদে ক্লা থৌওইকনবা লৈহুনম্ব থোক্‌হনদোকপী রমনী অমগী অহুক হাক্লা তেলিবা মঙনবু মহাক্লা মপুক্লিংদা কাবিমু লৈজনা লৌক্লদা ওমদো। ঈংলেবা খুঙ্গংগী চিক্লবা নুমহাংদা করিগুম্বদা—করিগুম্বদনা উশা-রুশানা খজিরবা থুরবা খুঙং-লম্বীগী অচিকপদা থঙহৌদনা মায়োক্লবা যাথগী অশাবা মহাকী থম্মোয়-পুক্তু হুমিংতুনা হম্না হম্না তানিক উমিক্লকখি।

অনি

বিজয়গী থিজেং অশেংবা সাহেবকী পোশাক্কি, মকোক্তা টুপি অকনব, ম চন্দা চুরুট, হুরিংখাংওদা থিজলবর, নীচৈ উক্ক-ক্ক লৈহুনা থাবুখোম্বী হুমদা চংলক্লে। থাতুংদা চংলক্লিবনা চৈশাং পায়রা হিন্দুস্থানী মুপা অমী, মুং ইমরকপা এপ। কয়ামরুপ,

বিনোদ ঘোষ অমসুং মচানুপা কুমার। সম্পত্তি দখল চংবগী থৌদোক্তা ইমাং থে'কপগী অকৌবা অহুম মরৈ, অহুম ওইনমক মচানুপাবু পাংদবা ওইংঅনগী মহুংতা লিংজেন পাবা ওইনা [illegible]বগী মসি পারা অমনি অহুনা মচানুপাবু লোয়নদুনা পুন্না ক্রকখি। অহুবু বিনোদনা হন্না হন্না হায়জখি মহুদি, অনুরাধা মথন্দা ডাইবী ঙমীনি, কবিগুণা মওংদমু নম-হাকপা য়ারোই। অহুম ওইনমক বিজয়গী লৈবনিনা অহুক পায়শিল্পকপদি থৈ থন্দুনা পুন্নকপতি।

বিজয়না হায়রকই, "ঙসীহ য়াম্না শাথী, লীরাম থোকপা ঙমগনি। মহাক্তি গগন চাটুয্যেগী পাউতাক লীনা মীশক্তি। লমচং-শাজং লুদে হায়না তাই।"

বিনোদনা হায়রকই, "আজ্ঞা', মহুদি তাদেনা।"

"ঐ তাখনি।"

কদায়দম্বু কনাসু লৈতে, অহাংবা তম দা লেপতুনা বিজয়না মাইকৈ মরি লৈতুনা য়েংলকই। বাবুথোয়গী তুম্মি হায়বা য়াই। মাংদা লৈরিবা পুজাগী দালান হোৎজিক কাওবা অতেক-অতাম য়াউজি, অহুবু মনবগী অয়োইবা ঙমথৈ থোক্রে। মাকল অমবা কক্কম কা অমসুং ড্রোইংরুম—দশা চপ মান্নে। পুম্ব, হেক্সাং শেবাংগী লেংদবা মংকোল শাদ্রি।

হিন্দুস্থানীনা হিন্দীদা লাউরকই, "কনা লৈ ?"

মহাক্না অহুম-অরায় থওনবা অয়াকপা খোংজেলদা লাউরকপ-দুদা বিনোদ ঘোষ অমসুং অতৈ অয়াম্বা ঈকাইবনা তৌবদ খঙদখিত্রে।

বিনোদনা হায়রকই, "ইচল-ইবেম্মা রাধাদা ঐ চংহনা পাউ পীরুগে বাবু।" হায়রগা ইমুংদা চংল্লে।

মহাক্কী থোক্লেল অমম্পুং রাঙাং ভাবদগী খঙলে, উসি ফাওবা ইমুং অসিবু উশিংজনা তৌবদা মথোয়দা য়াম্নিংদবা থোকই হায়বা।

অনুরাধা চাক থোংহনবা লৈরম্মী; বিনোদনা চংশিল্লকুগা নোল্লুক্না খঙহল্লে, "বাবুমচা লেংঙক্তুনা মপালদা লৈকৌই।"

মহাক্না লাইবকগীগা থেঙংসি থোক্লগনি হায়বা ফুংজিনী নিংজিং-বা জিংনরক্লিবনি। মখং হাংমদোক্তুনা কৌগংলগা সন্তোষ কৌশিল্লগা হায়রকই, "মপালদা গালিচা পাক্লগো ইবুংঙো. ইদোমচা থোরক্লগনি হায়রম্মু।" বিনোদনা হায়রকই, "ঐ কুইজরক্লোই,— বাবু রামোহনবিন্নমগনা বিনোদ-দাদা, ভাইহাক্কুং কশিরমুব। ঐগী ওইনা কায়বিয়ম্মু।"

বিনোদনা টকাইনা হায়রকই, "কমদোকনি ইচল-ইবেম্মা, ঐথোয়দি লাইরবা প্রজানি, জমিদারনা য়াথং পীরকপদা ওয়োই হায়কবা ওমাদ, অদুনা—"

"মহ ঐ খঙই বিনোদ-দাদা।"

বিনোদ চংল্লে, মপালদা গালিচা থাম্বরে, অদুবু কমাপ ফমদে। বিজয় লৈউ হাইদুনা হঙং-হন্দা চংবা চংনা চক্লাউ থক্লি।

মিনিট মঙাগী মতুংদা সন্তোষনা মপালদা থোয়ক্লগা ইঙ্গিত তৌদুনা থোঙলোমদা য়েংদুনা কৌবগা লোয়ননা হায়রকই, "ইদোমচা লাক্লে।"

বিজয় চপ লৈপক্রে। অচৌ-অশাং ইমুংগী নিংজোলসি, মজোন্দা করি হায়না মিজোবনা চুমগদগে, মহাক তৌফম থজক্রে। অহুবু পাংদনা উৎপজি য়াবা নত্তে, মরম অহনা লুপাখোকপা খোজেলদা মরুমদা লৈরিবীহুদা অপান্নবা হায়রকই, "যুম অসি ঐখোয়গীনি হায়বা নঙ থজত্রা ?"

পাউথুম লাকই, "থজই।"

"অহ ওইরবদি থাদোক্ত্রুবা করিগীনো ?"

অনুরাধানা অহুম মরুমদা লৈহনা মচেগী মচানুপাহুগী খুৎথাংদা হায়নিংবা রা শায়রবা হোংনরকে। অহুবু লুপামচাহ হৈথোই-শিংথোইদে. জমিদার অনৌবগী লীচৎ-শাজংকী মরুমদা মীনা জাংনবশু মনাকোংদা তারব্নি, কৌনা কৌনা মঙং মঙং হায়রকই. রা অমত্তমু ময়েক শেদে।

বিজয়না মিনিট মঙা-তরুক খাংহনা শজনবা হোংনরকই. অহুগী মতুংদা শজংহৌদনা ধমকা তৌহনা হায়রকই, "নদোমচানা হায়নিংবা রা লৈববদি মাংদা থোরক্লুনা হায়রা লাও হায়য়ু। মাংহনবা মতম এগী লৈত্রে—ঐ কৈ-শওম নত্তে, মাবু লাক্লুনা চাঙোই। যুম থাদোক্লোইদৌরিবা করিগীনো হায়য়ু!"

অনুরাধা মপালদা থোরক্তে, অহুবু রা জংলকহ। সন্তোষকী খুৎথাংদা নত্তে, মচিনমক্না মযেক শেংনা হায়রকই, "যুম থাদোক্লুবগী রাকম লৈরখদে। অদোমগী বাবা তরিহুববাবুনা মসিগী মলুৎথংবা শরুক্তা ঐখোয় লৈনবা য়াগনি হায়না তাকপিখিব্নি।"

"ইন-থোংনবা কদ্রি লৈ ?"

"করিস্থু লৈতে। অদুবু মহাক হৌজিকসু হিংলি, মঙোন্দা হংলবদি থঙবা ঙম্বিগনি।"

"হংলিংবগী অপান্বা ঐগী লৈতে। অসিগুম্বা য়ামবা অমা লৈরবদি ইনহৌ্রবা করিগীনো?"

"দাদামা মহূ দরকার লৈ হায়না থলমদবসু য়াই। মহাক্না হায়দোকখিবা বাদগী ইনবনা হেম্না চাউগ ন হায়না দাদানা থলমদবা য়াই।"

রা অসিগী মক্তিক চাবা পাউথুম বিজয়না খিবা কংব্রে, ভুম্মিয়া লৈরে! অদুবু মাইহাকী মতুংমক্তদা ইমুংদগী পাউথুম পীরকই।

অনুরাধানা হায়রকই, "অদুবু দাদানা মাগী সর্ত পাঙজব্রনিনা হৌজিক সর্ত পুমক অরেম্বা তারে। য়ুম অসিদা লৈনবগী অধিকার ঐখোয়গী লৈব্রে। অদুবু ঐদি নুপীমচানি, ইভোমদনি, অদুগা কমা লৈজদ্রবা পুপামচা অসিগদনি। মাগী মমা-মপা লৈব্রে, ঐনা য়েংক্লবনি, ঐখোয়গা অরাণসিদা চানরিতুনা সুমিং থরনিদং লৈহনখিব্রবদি মপীচা ঐনা মুক হোগংতুনা কদায়দা চৎকদগে হায়বসিনি ঐনা রারিবসি।"

বিজয়না হায়রকই, "মতুগী পাউথুম ঐনা পীকম থোকপা? মখোয়গী দাদা কদায়দা লৈ?"

নুপীমচাহনা হায়রকই, "ঐ খঙদে মহাক কদায়দা লৈবগে হায়বা। অদুবু অদোমগা মহালমথৈ উমবা ঙমজরমদবদি ভপ্রগী ভুংদা রারোবিখিগব্রা চিংনজবদগীনি।"

অদি হায়রগা ভাইহাক তুম্মিন্না লৈহনা থইরবা য়াই মহাক মশামা মশাবু ফাথজনবা হোংদবা হায়রকই, "অদোমদি মপুনি, অদোমগী মকাদা কঁরমথা লোংচরোই। লৌ-শৌ-শৌকোই লৈতনা ঐখোয়গী খুদোংচাদবা ফোংদোকচরিব স্ন মহ্র নত্রবদি মোংবা ফাওবা য়ুমদিদা পন্থৎনা লৈমনবগী দাবী ঐনা তৌরমোই-দবনি। নুমিৎ থর্নন অসিগী মতুদা ঐ ইশামা থজবা চৎচখিগনি।"

মহক্কী খোজেন তাবদা মপালদা লৈরবস্থ নুপীমচা অসিগী মমিৎতগী এপী শিন্থর হায়বা থঙাগদ্রে। ববম্ম নুংঙাইরক্রে, অহুবু মপু ক্লংদা হরাওম্ম হুরাওই। মনি দথনা চংবদা কনানা খওগনি মতম কয় শাংনা চঙ্গদগে অমম্মুং ঈরাং কয়া থোকনগে হায়না মহাক্কা থজরবনি, অহুবু মহ কবিমঙা থোক্লে, মহাক্কা কপত্নুনা শুপ্নগী থোজাল নিরক্লি।

বিজয়গী ফুরিংখাওনা য়াউরিংগা বিজনবর অমম্মুং হিন্দুস্থানীগী চৈশা শিংথুনা মজোন্দা লোয়া থীনা চৈরকথম জোই, অহুবু থম্মোয় শোমনা উংলুনস্থ মাবা নত্তে। হায়রকই, "লৈহনপদা য়ালি দথা লৈরপদবনি, অহুবু য়ুমদিদা ঐ ইশাগী দরকার য়াম্না লৈ। হৌজিক লৈরিবা মফম অহ য়াম্না পুদোং চদে, অহুগী মথক্তা ঐখোয়গী ইমুংগী নুপীশিংদা অমুক্তং য়েংনা পাকপস্থ পাগ্লি।"

নুপীমচ'হুনা হায়রকই, "কৈ লাক্পিবু। মপালগী কাপ্শিংশিদা অদোম চিংবা লৈতনা লৈখিবা য়াই, অহুগা মমুংগী দোজালাবা

কা য়াম্না লৈ। মহাক্না নুপীশিং তিংলবা শৈরুন' লৈহনবিবা য়াগনি, য়ক্লনিংঙাই কবিস্ম লৈরোই। অহাগা মীয়মদদি মী দয়কায় ওইগ ন, ঐ থবক অগ'ম্পা তৌবা ঙমগনি।"

হন্দাক্ল ঙিকাইহনা য়ানিংদবা উ'তুনা হায়রকই. "নত্তে নত্তে, মহ কদায়দগী তৌবা য় গা.ল ! মগোম মী-পো, লোয়নরক্লশি, মঙনা ক'বিস্ম তৌক্ল'ন. ঙাই লৈরোই। অহবু মনুংগী কা'শংহ ঐ অমুক্লং য়েংবা য়াগরা?"

পাউখু। পীরকই "ক রগী য়াদ'ন, মসিদি অদোমগী যুম্নি। লেংশিনা রকউ।"

ইমুংদা চং'কপাদা শিক্ষয়না মিংকুপমুক মংাক্লী মাইথোং পুম্বা উব ফংঙ। মকোক খুম্না, অহবু মমাইদি খুমদে। ফিজেত্তা হাইকেং মল্লবা অয়ুক-মুমিদাং শিজিন্না। ক শেখাও, মনাদা মঙক্ল লিক-কাল পজে, ঙুম্নগী মখুং অ নবা মন গী খুজি থয়া শি- অমিবা মতমগীনি। মক্লমদগী ঙংকপা শীনা মঙংজবা থোজেলহ। ঙয়ুগা নাকেংদা য়াম্না নুংশিনা তাথি, মীশক অমুম্ন অরুম্ন ফজরমগ'ন চায়না থনখি। মক্ল ওইনা, লাইমুয়বম্নু মগাক্ল অচৌবা হমুংগী শিঙোলনি. অহুবু মকাক্লা আশা তৌরমহগা কবিমত্তা চাম্নদে হায়বা উয়ে। বুচু অঙৌবা নত্তে, বুলৈ-বুচুনি। থোইদোক্লকুম অমুথক্লোমদা থয়া লৈশিল্লি। সাথ রণ ওইনা খুঙ্গং নিংঙোল খ্বাইদ উনম্রিবা অহ মঙাই। মশা পাই অহুবু মপাক্সলদি কল্লমগনি শিংই। তুমহুনা লৈথোক্লুনা অঙমবা ওইনা লেনে হায়বদা চিংজনিংঙাই লৈতে। মক্ল ওইনা মমিংত্তা

উম্বে, মাগী লাইবক তাবকপা—তশেংনা অতকপা ফংনা। মিংথিজবা শকঙংনি।

খুঙ্গং নিঙ্গোলহুনা হায়রকই, "বিনোদ-দাদা, বাবুবু মহাক্না লম হংহনবিক্রবো, এ চাকশংদা লৈগে।"

"মহাক চৎলরোইদ্রা ইচল-হুবেম্বা?"

"চৎলরোই।"

মথক্তা ক'থৎলগা বিজয়না কোইয়েং য়েংলকই। কা য়াম্না য়াম্মী। মম্যংঙৈগী মতমগী পোৎ-চৈ য়াম্না ঙৌগিকম্ব কা কাদা লৈরি, কয়ামা তেক-কায়রে, কয়ামনা তেক কাযগদৌরে। হৌজিক মহুশিংহুগী মমল থোইনা ঙৈবা নত্রে, অহুম্ব নোংমাদি লৈরম্মে। মপালগী কাশিংহুক্তম্না কাশিং অহুম্ব সুরকা-গুন্দ মচেৎ মচেৎ কিন্থরে। লাইরবগী মমি পোং খুদমক্তা তারি।

মথাদা কুমথরকপদা অনুরাধা থোঙ ময়াদা থোরক্লুনা লেপ্লরে। লাইরবস্থু থুদোংথীবা মংলনস্থু মহাক শচৌবা শম্নুংগী শিঙ্গোলনি, হন্নক্তি নঙ হায়হুনা মিঙ্গৌগদবা বিজয় হঁকাইরে, হায়রকই, "ইবেম্মবু নুমিৎ কয়ানি মুম অসিনা ঙৈবা পান্দিরবগে?"

"জাংদাংবদি হৌজিক হায়জবা ঙম্লোই, নুমিৎ থরনিদংদি অদোম্না চানবিহুনা নৈক্তনবিখো।"

"নুমিৎ থরনিদি য়াগনে, অদুবু মতম কুইনা লৈথবদি য়ারোই। মতমহুদা কনায়দা চৎলিগনগে?"

"মহুগী চিন্তা অহুক অহিং-মুংথিল নাইদনা তৌরিবনি।"

"ইবেম্মনা গগন চাটুয্যাগী ঙৈফম থুডই হায়না মীনা হায়।"

"মখোয়না অতৈ বরি করি হায়বগে ?"

বিজয়না রাজং অদিগী পাউখুম পীবা ঙমদ্রে।

অনুরাধানা হায়রকই, "ঙদে হায়বা অদোমগী মফমদা হায়না হায়জরকনি, অদুবু থজলবসু ইশামকী ইবুংবু কাইনু হায়না অদোমগী যাথং অসি অদোম্না পীবিরিব্রা ?"

মহাক্কী থেংনগদা চৈনগী সুর চংই। বিজয় থোইদোক্না রাবোরক্লে: শাগৈগী হৈনবী রঙং-শাঙংগী মমি হৌজিক ফাওবা মাগী থম্মোয়দগী কেক্লি হায়বা ঙঙল। হায়রকই, "অঙ্গে অহন্না তৌ হায়বা এমা ইবেম্মগী মফমদা হায়জদে, ঙরগদি চুশনা চিংনা পুবকনি, মরু চেংজনখিম্মোই। অদুবু মতম অমুক শাংনা মহাক্না এথেংগী মা মনবা তৌখিবা অসিমু ইবেম্মনা থজহৌদে হায়বা পাংজব্রা ?"

করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীরক্তে।

বিজয়না মখা তাথরকই, "নসরদা তৌবিমল হায়বা অমদি লৈদবা। নশাগী নবুংহৈদা পাউশাক অঙ্গথক্ত কাওব করিগুম্বা সুনিগুম্ব পীবা ঙম্মিখিদব্রা ? এগী বাবাদি থোইদোক্না চমজবা মীনি, অদোমগী ইমুংবু মহাক্না থোইদোক্না মুংশিবি, অহুম্না থামু থাজে, অতুমা গগনমঙ্গদা পুম্নমক শিন্নখিবনি, মসিগী মহুৎগী ফল ? অদুবু ভগেংনা থজিনবিগদবনি, এ ইবৈমাম্তা লৈংম্নদি ই দৌড়নমু অমুম্না থেক্লম্মোই হবা।"

অনুরাধা তুপ্পিন্না লৈ।

পাউথুম অমত্তা পীরক্রপা উবদা বিজয় মপুক্কিংদা অমুক খোইশাউনরক্রে। মংগোন্দা মীনুংশি থরমথৈ পোক্লগা ওয়া মনিল ওইনা পাইথোকখ্রে. থ শ্মায় কয়া হ যরকই, "ঐ শাথীবা মীশাক্কি হাববা মথায়া খঙনরিবনি, অদুবদা দয়া মায়া তৌদে, মরাল হৈলবা কনাম্ব ঐগী খুওগী নপ্তে কখত্র, নবুংগী উমরদি থোই-দোক্কা মশিদংদি মগাদা ওহল্লু।"

অনুরাধা তুম্মিন্না অদুদ লৈ।"

বিজয়না হায়রকই, "ও নি যুম অপুম্বসি ঐনা দথল তৌশিল-লবনি। মপালগী কাশিংগ শেংদে কথা লোটমবাদ মুমং নিনিগী তুংদা মকমসিন্দা হেংলক্রগান, মুশিংদি মহৃগী মতু দা লাকনি। বেম্মা মথাগী ক্যা অ দা লৌবিকুপ্পা, চংত্রি ও মুমং থরনিত. এহুরু কবিগুম্মা পোং অমত্তা থৈদোক্কম্বা হোংনবি যাংদবনি"

কুমারনা হায়রকই, "বাবা, ঈশিং থোকাইই, ঈশিং খজিত্রা হক্কে।"

"মফম সুদা ঈ শং কদায়নগী ফক্কদগে ?"

অনুরাধানা মথুং হংতুনা ইঙ্গিত তৌগনা নহাকপু মনাক্কা কৌশিল্লকই, চ কথও মদংদা পুশিল্লক্রগা হায়রকই, "ডন (যুবা মহ) থ করা ইবুংঙো ?"

"হোয় থক্কে।'

সন্তোষনা থোকপি-থো... মনা ...মথদা ...মুপামচাহনা মপুক থম্মা মতোংত্র চাউর অহুগা মহিক্সু থক্কগা মশাদা থোরক্রে, হায়রকই, "বাবা নহাক্কি থক্লোইত্রা ? য়ায়া খুম্মো।"

"থক্লিংদে।"

"থকতৌমি বাব, যাম্না লৈরেহৌই। লোইনমক ঐখোয়গীনি।"

ফাদি করিব্রু লৈত্রবনি, অহুম ওই মকখী অমুক যাবগী মথাংদা মচাঙ্গুপাকী বা তাবদা থঙংহৌদনা কম্দৌহুনবো মহাক ঊকাইরক্লে, হায়রকে, "মংঙ মঙে, থ ক্রাই, নঙ লাকও।"

অহুম

থাবুখোয়গী মুকনী মপাল থংবহ লৌশিন্দুনা বিকয় লৈরুরে। দা অমি মহাক্নীদমক থগ্রগা অংরেবশিংহ ওকিদ ওইনরে।

বিনোদ ঘোষ নত্তম অমদা জমিদারী ওফিসতা থবক তৌরম্মী, মশানা হারজয়ক দগী মহাবপু অনৌবা গোমস্তা (মেনেজর) হাপ্লে। অহুমু খুদোংথীবদি কোক্লি। মহুগী অচৌবা মথমদি, গগন চাহ্রোনা থরম্মী শেম থোমগংপদা খুদক্তা থোক হেক মসিদ ইহুনা পীবা হায়বদি ঊকাইদিংঙই মশক্কি, মরমদি মহুনা থাজদবগী মথম চেন্নি—চাহ্রো শাটেগী চোপ্লিংথাইনি। মরম অহুনা মহাক কোংঙ্খবা মতুংদা ওফা পুম্নমক খুদোংথীবা তাহোরে, কপচ-তাউজহুন্দ হারজ-চংচৈ,—কনানা কয়া পীরবগে কয়া বাংলিবগে হায়বা তাংদংবা তেঙ্গদা য়াম্না নুবা থবক অমা ওইরে।

বিকয়না য়ারিব পৈঁ না কলিকাতাদা হনবিগে থরগহ ওইরে, মোংবা নিমি অহুম তৌহনা মুশিং জ্যানি হেন্না হোরে। মাইকৈ

সোমদা মচানুপাহ্ সন্তোষকী মরুপ ওইরে, মহাক্না তাহি অহুম-মরি হৈরে, সামাজিক অমদি সংসারিক ওইবা ফিভম খুদিংমক্তা খোইদোক্না খেইরে, অদুবু অতোপ্পা মশামক্না নৈতবগী মহাক সন্তোষমক্কী তঙ্গ থৈরদি। চাক-থকপনা অমাংবা মতমদা সন্তোষকী মঙোমচাগী মনাক্তা, মাম কোংগী মতুং ইন্না মহাক্কী ইদোমচা কৌ।

মপালদা বিজয় পেন-থুমগী হিসাব-শু সাবক্ত মখৌ চিন্না লৈ, অয়াম্বা মতমদা মচানুপাবু খিজিনবা ঙমদে, ঙমকপা মতমদসু উবা ফংদে।

থঙহৌদনা করিগুম্বা সুমিত্রা চৈথংই, শাউগুম্বা মনাক্তা কমইন্দুনা থম্মী, অদুবু মা ঙাক্পা ফেক ফংবগা সুপামচাহ্ মদোমচাগী চাকশঙবা হেক্তা সেমশিনখি। সন্তোষকা খমজাংবকা কমগুম্বা অমুক্কী চন্না চামিরে, সুংখলদা মহাক্কা তলগা মুখী-রঙুগা যেংনদুনা চামিরে।

নোংথা সুংখিলদা মী কমাসু মতম অহ্ ফাওবা লাক্লু, বিজয়না চা থকপা চুরুট থক্না থক্না ভুবেশ মাংগলদা কোই-থোকপুদিক্না থবকই। সুমিং চুম্না মচানুপাগী মপক উদে হায়বা থওনিং মিংশিংলারু। অদুবা মীনাই লেপতুনা লৈ, হংলকই, “কুমার কদাইদা লৈবগে?”

মহাক্না উত্তিত্তনা থংহন্দুনা হায়রকই, “মহুংদা।”

“চা,কং চাক্লিরা?”

“চাখিদে।”

"কাকুরগা মমহুনা পজাত্রবা কাঙ্গগদো ?"

"লিদা চাও হায়বা য়ালে, শাউহুনা চায়খায়।"

"হয়েংদগী মহাক ঐগা চাক চাখিন্নবা লিনগদবনি।"

অদি হায়রগা করি খল্লকবনো খঙদে বিজয় কোইথোকপা চত্রে, চুমত্রিংনা মনুংলোমদা চংশিনখ্রে। শাংলবা শুবাংগী অশোম থংবা নাকলদগী মচানুপাগী খোজেল তায়কই, "ইদোমচা, তগ অমগা য়ুবী-কডু অনিগা—থুনা !"

য়াথং কংলিবা মহাক অহুনা হায়রকই, "কুমথরকউদনা ইবুংঙো, ঐবু উ কাবা হৈত্রা ?"

পাউথুম পীরকই, "হৈনি ইদোমচা, হৈস্রু নুবা নত্তে। মশা অচৌবহৌদা খোঙ থাজংদগা মশা মচাহুদা পায়হনা অমুক্তং মুকথংলবদি হেক্তা কাথংপা য়ানি।"

বিজয় মনাক্তা চংশিল্লকুনা লেপ্লরে।

চাকশংগী মমাংদা অচৌবা হৈহনৌ পাম্বী অমা হৌরি, মহুগী মাইকৈ অনিদা হাইথরিবা উপা অচৌবা অনিদা কুমার অমম্লুং মাপী মরুপ সম্ভোষ করি। মখোঙ য়াম্নহুনা উপা কায়েংদা মবানি চাবগী থবক চংথরি, মহাকপু উবদা মখোয় অল্লিমক পাখংখ্রে।

অনুরাধা খোঙজিন মকুমদা লৈশিন্দুনা লেপ্লরে।

বিজয়না হংলকই, "নসি মখোয়গী চাক চাকলা ?"

কনামত্তু পাউথুম পীদে।

বিজয়না মকুমদা নৈরিবীহুদা অপাম্বনা হায়রক্কই, "ইবেম্মদা খঙলে মানা মাম্না ওং-নৈরে ।"

হন্দক্তি অনুরাধানা খোঙ্গল নিঙ্কা থুম্নকই, হায়রকই, "হোয় ।"

"অহ্‌ ওইরবা কাওবা খোইনা হৌনা মখোই শংবিদবনি মত্তে,—কম্বিগী মখোই শংবিম্বনো ?"

"শংত্রবদি অয়ুকপু হেন্না নৈমক্কনি, মহু কীবনমি ।"

"অহৌবু যুমদদি অঙম্না ডাওশিনৈ হায়বা তাদে ।"

"তৌরমনরা হাই । মাগী মমা নৈত্রে, মখোকম্‌ অয়াবা মতমদা কমুংদদা নৈ, মপাদুং নৈরবম্‌ মপালদা থবক্তা খাই ওনশিন্দুনা নৈ, মনা নৈক্তরুগদৌমিবনু কনাদনো ?"

বিজয়না মসি থঙদে মহু নত্তে, অহুম ওইনমক মচানুপানী মমা নৈত্রে হায়বা রাঁস মীগী মচিন্দগী ডাবদা মহাক থম্মোয় শোকই, হায়রকই, "ইবেম্মনা হুঁয়ম কয়া থওই হায়বা উরে, কনানা ইবেম্মনা তম্বগে ? কুনারনরা ?"

অনুরাধানা তঙ্গা হায়রকই, "তমা হৈগদবা চহি মতাং মাগী যৌত্রে, অহুম ওইনমক মাগী মশক উবমা থওবা ওমী । মুংখিল মুংশা মরক্তা এনা মখোয়বু চংখোকহন্দে, অহুবু চাঙাক তৌহনা হেক্তা চেনখি । চেনবা তমদবা মুখিত্তনা হিগতুনা মমুৰগী বাৰী লি ।"

বিজয়না মহাক্তী মশক উবা ফংদে. অহুবু অহানবা মুখিং অহৌগী মতৌতম ওলিম্ম খোঙেল অহু মাম্না মুখী, অহৌনা

হ'য়মিংহুনা নত্তে, তামিংবগীদমক হায়রকই, "হন্দক্তি য়ুমদা হৌরগা মহাক য়াম্না হৈনরমোই।"

"করিগী মো ?"

"মহুগী মরমদি তাওশিন্নবা হায়বসি নেশাগী মতৌগুম্নি। তাওশিন্নফম কংগ্রসদি য়াম্না রাই, মশাদা হৈনিংবা পোক্তে। অদুবু মতমহুদা মাগী নেশাহুগী হিদাক কনানা থিথিগদগে ? ঙসিং মিমিদদা চেনিংলক্নি।"

অনুরাধানা হায়রকই, "নত্তে, কাউথিগনি – কুমার কুমথরক্লো লাকও হৈবুংঙো, তল লৌরক্নো।"

পেয়ালা পুহুনা কুমার কুমথরক্লে অমসুং মদোমচাগী মখুত্তগী তলগা য়ুবী-লড্ডু থরগা অমুক লৌরগা ম'তান্দা তাখু-থেংগুনা লেপতুনা চারয়ে, উদা কাথংক্লে।

বিজয়না উয়রকই, মহূ পুম্নমক্ক মখোয়গী ঈমাক-খুনবা য়ুমগীগা চাংদম্নক্নবদা থাক্কী চাউথোকচনিংঙাই ওইবদা হনগে হন্দজসন্নু, অচুম্বা মওংগী ঈকাইহ-খুম্নমিংঙাই ওইবদদি থজিকম্নু হন্দবা নত্তে। কুম্বিগীদমক্তা মচানুপা অনিমা মদোমচাগী চাকশঙদা অহুক হাক্লা চংমিংলিংনো হায়বা অহুগী মরম বিজয়না খঙবা ঙম্লে। মহাক্লা খম্নুনা লাকখিবনি, কুমারনা হেক্তিম্না অপাম-মীহৌ চাউবদগী মহাকপু মরম চাদনা হেক্তিম্না থরুচ তিং'হল্লে হায়না কোংদোক্কুনা কংবা রাহেনা মচাম্বপাগী তুংগী চিংমবা উংলুগদি অমমুং উংমু উংকে তৌক্কবনি, অপনবা পীরক্লে।

সুমারনা হায়রকই, "হৈদোমসা, ওবাংগুম চন্দ্রপুলি হৌখিনবা ওসিমু মঙোন্দা হায়খিবনি, হৌত্রিবা করিনোনো?"

মদোমচানা হায়রকই. "শোয়রক্রে ইবুংঙো, চেকশিনহৌরে। শঙ্গোম লোইনমক হৌদোংমা হৈদোক্লরে—হয়েংদি মহুম্না অমুক ভোইক্লরোই।"

"করম্বা হৌদোংননো হায়রুসে? অঙোবহুরা?"

"মহুমক্লা ওইরম্বা য়াই।" হায়রগা অনুরাধানা মহাক্কী কাখিনা শমহু মখুৎনা শেমজিনখিবা হোৎনরকই।

বিজয়না হায়রকই, "নৈবা অসুম অসুম হেক্তিনক্লে হায়বা উরে।"

সুমারনা হায়রকই, "থক্লুবা ঈশিংদি কদায়?"

"কাউথোউরে ইবুংঙো, লৌক্লগে।"

"য়াম্না ক,উগদি ইদোমচাদি। কম্বিমন্তা নিংশিংগদে।"

বিজয়না হ'য়রকই, "ইবেম্মনা মাবু থরা চৈহৎশিবনা মতিক চাবনি। থোঙথাং খুদিংগী মরাল লংশিনে।"

"হোয়," হায়রগা অনুর'ধা নোকখোরক্রে। চেকশিনহৌ-দবদগী নোকখিবা অসি বিজয়না উথোকখ্রে। মচানুপানা চাওশিনবা শাক্লংকোদমক ঙাকশিনবা অমুক হায়জত্রে, তুংদা মহাক্কী যজবা য় হৈবু যজদবা করেনুবা ওইনা লৌহিংগনি, তুংদা নুপীমচা অমিং-মাগী নৈত-লাইরবা অমদি তক্বাবা দশাবু মহাক্না নোক্লবা নিংহৌং,। য়েংই খননিগনি হায়হুনা।

মথংগী মুমিংকী মুমিংমুংবা মতুংদা অনুরাধানা কুমাৰ অমস্তুং সন্তোষকী চাক থায়খিরগা ইস্লাং হাপথখিরি, মঃকাক থুমদে, মশাদা শেংলিবা মফি কোম্মী, ইথঙ থঙহৌদনা খোঙদা মীশী মফি অমা তারবদা অনুরাধানা লৈখোক্তুনা য়েংলকই, বাবুমচা। ভোকম থঙদনা মকোক্তা ফি চিংথংতুনা হৌগংলগা লেপতুনা লৈরে।

বিজয়না হায়রকই, "য়াম্না লুবা রা অমা তামগে হায়রুনা ইবেম্মগী নাক্তা লাকচম্লিবনি। বিনোদ ঘোষ খুনশা অমত্তগী মীনি, বাবু মুৎবা থঙখিরমগনি, মহাক কয়বা মীশক্তো হায়বা ভখিগদ্রা? মহাকপু গনেশপুরগী অকোবা গোমস্তা হায়ে, বাবু মপুংফানা থ অবা য়াবা মীশক্তা—ইবেম্মনা করি হায়না খনখিবগে?"

মহাক চয়োল অমা হেন্নে থবক শাৰবকপা, ভম্লিবমখৈ চুম্না থবক তৌম্নি, করিগুম্বা অশোয়-অভাম অমত্তা খোকহন্দে, খঙহৌদনা ককভাওনবা মহাক্কী লমচংতা হৌজিক থিজিন-হুম-জিনবগী কারবা করি লৈরবগদগে হায়বা অনুরাধানা খনবদা লাম্বা কংদে; খোজেল শিক্লা হংলকই, "বিনোদ-দাদানা করি তৌরম্লবগে?"

"হৌজিক্কি করিসু তৌদে, অহুবু চেকশিনবদি দরকার ওই।"

"বাবু অফবা মীনি হায়বা থঙই।"

"ভশেংনা খঙখিত্রা, মত্রগা মী হুনবা ফত্তে হায়রুনা কৈ হায়খিরিত্রা?"

"এনা কৈ-ফত্তে হায়বগীসু মমল লৈত্রা?"

"করিগী নৈতনি। মহাক্না ইবেম্মমকন্থু থাজবা যাবা সাক্ষীনি হায়না লৌজরিবনি।"

অনুরাধানা হাইকেং থললগা হায়রকই, "মহাক অকবা মীনি হায়বা য়াই। মিং-নাদি থরা শিংবিনু। ইশানা থৌশাদবদগী অকবা মী ফত্তবা ওইরকপা ওইথোক্তবা মত্তে।"

বিজয়না হায়রকই, "অংশংনমক মহুনি। মরমদি, অয়ামবা তৌবগী মরম থিগংলুবদা অয়াম্বা মতাংদা ওক্লিংঙাই ওই।"

মচাম্পাদা অত্তয়না হায়রকই, "মহুগী লাইবক্ত ফবনি থণ্ড-হৌদনা মদোমচা অমা ফংজবনি, নংলমত্রবদি উমং-য়ামংগী লমদমসিদা চরা অমমমদা চাতুনা লেজমগদবনি।"

অনুরাধানা ওপ্না ওপ্না হংলকই, "মকম অসিদা চাব-থক্নদা থুদোংচাবিরক্রা?"

বিজয়না নোক্লুনা হায়রকই, "মদে, চুম্না হুম হায়রবনি। মতম অয়াম্বা মীয়মদদা লেজরুবনি, চাবগী থুদোংচাদবগী করিসু থৌশারুদে।" হাথরম্মগা চৎলে।

অনুরাধানা থোড়দাওগী অ'হাবদা য়েংলকই, মহাক হৌজিক ফাওবা ঐরুক্তরিবা মাসি।

মরি

য়ুম অসিদা লাক্লগা অরাম-চেয়ার অমনদা অমা থোৌরাং তৌই, মুংথিলদা মহুগী পাখে ম অনিহুদা মখোঙ তিংখোক্লুনা মমিং উশিন্দুনা চুরুট থক্লি, তারকই—"হৈবুংঙো বাবু?"

বিজয়না মমিং পাংথোক্লুনা য়েংলকই, থোইনা লাপ্তুনা অহল ওইরবা ভদ্রলোক অমনা মঙোন্দা ঈকাই-খুম্নুনা কোৌরম্লি। মহক হোৌগংলুনা ফম্লে।

ভদ্রলোক অহুগী মশাগী চহি ছমক্থু হেল্লগনি, অহুবু মশা মোয়-পেল্লি, থেক্লংনৈ, কন-থোৌগা হকচাংনি। মকোই পুমঙো চোৌরে, অহুগা পাক্লা তাংলবা মকোক্কী মথায় মতায়দা হোৌরিবা শমশিং অরুদি মুশিন মুই। মমাং থরা ভেকথিবা নত্তনা অতৈ য়াশিংদি য়াউ য়হারবা য়াই। অফা ফেশনগী ফুরিং লিংলি, ফেশনগী অথনবা ফি ইল্লি, মখোঙদা চীনা-হাউসতা বার্নিশ তৌবা খোঙউপ তোংই, ঘড়িগী সনাগী চেন্দগী সনা তোঙ্খা কৈ-থুজিল য়াহুবি। খুঙংগী লমদমদা ভদ্রলোক অহু ফিজম ফবা মীশক ওইরমগনি হাংই। মনাক্তা অকায়বা ফুল অমগী মংঙা বিজয়গী চুরুটকী মপোং-মচৈ থম্লি, মহু লৌথোক্লগা বহুদা ফমহল্লে।

ভদ্রলোক অহুনা ফমথরগা হায়রকই, "নমস্কার বাবু।"

বিজয়না হায়রকই, "নমস্কার।"

চংলক্লিবা অহুনা হায়রকই, "অদোমখোয়দি খুলগী জমিদাররদি, মহাশয়বু পোকপা আঙ্গাহ্ মতিক-মগুণ লৈবা মীনি —লাক্পতিনি। মমিং শোনবদ য়াইকরিবনি—অদোমদি মহাক অহুমক্তী মচা-ইবুংঙোনি। ইবুংঙোনা মুশীহুবু থৌজালবিরম-জবদি মহাক তাউথখিরগনবনি।"

"নুপী কনা? শেল কয়া তোল্লিবগে?"

ভদ্রলোক অহুনা হায়রকই, "শেলগী ৱাকম মত্তে। নুপীহ্ লাই ওনগ্রবা অমর চাটুযোগী মচানুপীনি—অমুক্তা শোক্লিংঙাই ওইবা মীশক্লি—গগন চাটুযোগী মচানুপীনি। মসি মাগী মপা-মপুগী য়ুম্নি। মহাক লৈরম্বোই, চংঙগনি,—মহুগী ফিজমস্থ শিনবা লোইরে—অহুবু ইবুংঙোনা মগী লুশম পায়হনা ইন্দুনা তান-থোকপিয়ি, মসিবু মহাশয়গী থৌদাংলা?"

লাইব্রিক হৈজবা অহল অসিদা শাউরুবা য়াদে হায়বা মপুক্লিংদা খঙজবা ওম্নে, অহুবু র'ডাংহুনা মৈ হেংরকই। হায়রকই, "ঐগী থৌদাং ঐনা খঙই, অহুবু অদোমবু কনানো মগী উকল শাবিরম্বিবসি?"

অহল অহুনা হায়রকই, "ঐগী মিং ত্রিলোচন গাঙ্গুলি কৌই, ঐগী য়ুম থংঅবা থুঙ্গং মসজিদপুরদা লৈ—মীপুম খুদিং-মক্তা খঙবনি। অদোমগী ইমা-পাবুংগী আশীর্বাদতগী ঐগী মাক্তা চংলক্তুনা মখুৎ ভিংথোক্লদবা মাইকৈ সোম্বদা থোইদা লৈতে। থাজবিজ্রগনা বিনোদ ঘোষতা হংবিয়ু।"

বিজয়না হায়রকই, "ঐগী খুংজি থোকপী দরকার লৈরকপা থোক্লবদি মহাশয়বু থিজরক্লি, অহুবু উকল ওইবা লাকপিরিবসিবু অদোম মাগা করি থোক্লবিবগে ?"

ভদ্রলোক অহুনা ফাগীগী মওংদা নোকফেং তৌদুনা হায়রকই, "ইমুং-মনুংনি। শজিবুগী মুমিং থরনিসিগী মথুংদা ঐনা মাবু লুহোংগনি।"

বিজয়না ঙকুনা হায়রকই, "অদোম লুহোংবিগদৌরিবা অনুরাধাগা ?"

"অহে'য়। ঐসী লেংত্রবা রাফম্রি। কালেন চংত্রিবমথৈ অতৈ অফবা মুমিং অমওা লৈতে, মংলমত্রবদি থা অসিমক্তদা অফবা কর্ম্ম অসি পাংথে ক্রদবনি, তৈ:হনবিথিমবগী রা ইবুংঙোগী মকমদা ঐনা হায়রু হায়জরম্লোইবনি।"

বিজয়না ঙাইহক চপ য়ুংনা লৈরগা হায়রকই, "লুহোংবদা কনানা দাম পীগদগে ? গগন চাটুয্যেনরা ?

অহল অহু মরৌ থাংবা মিংয়েংনা য়েংহনা হায়রকই, "মাদি মীচেম ওইত্রবা আসামীনি মহাশয়—প্রজাশিংগী সর্ব্বনাশ শানা মংক্লম্লগা লোংত্রবনি। অমুক কুইবসি মহুমক্তনা অপনবা ওইরহনি, মহু মংলমত্রবদি হিয়াঙ্গৈ থামক্তদা লুহোংলম্লগদবনি। অফবা শাগৈগনি, মখোয় কুমংগী মচা-মক্তনি—হনুবা শাগৈগী ইমুংদা মচলনুপী থাজরোই হায়রগনি। মসিনি মহুগী অপনবা হায়ববু। হৌজিক্তি মহুপী চাউথোকপহু কদায় ? হনুবা শাগৈদা

থন্দুনা মযুম পান্দবা তাইবা! হৌজিক কাম্নদবু শাগৈ-জাত য়েংনম্বিত্রনে ইবুংঙো? লুপাগী শাগৈ-জাতনি, লুপানা ইজংনি, লুপাগী পুম্নমক্কি,—চুমত্ত্রমে?

বিজয়না হায়রকই. "অনুরাধাগী মায়রা?"

ভদ্রলোক অহনা নাপল তৌনা মথুউদা খুবাক্তা পোপ থাম্নগা হায়রকই, "মাবা? ডাকপিম্মিরহ্ করিমো ইবুংঙো, মাব-মাদনা। শহরদগী লাক্লগা ইবুংঙো'না অমুক্তং ডান্নবহ্দা মমিং ভন্দল পাইগ্রবনি—মখোয় কদায়দা চংজকুনি! মহ্ নংলমন্ত্রবদি অসি-ভুমসি খোক্লম্রম্বো'ইদবনি। ইচানুপাশিংনা মাদে, মৌশিংনা মাপ্নিংদে, ইচানুপীশিং ইশহ'কম্নপাশিং পুম্নমক্কা পল শাহ্নমা লেপ্লম্নবনি,—ঐস্নু থনম্রবনি, কম্নিবু কাম্নগদবনো, য়ুম অমি পান্নদমা অমুক মথা তাম্নম্বোই। অহ্নবু মশামক্কা মী থারক্নুনা কোইম্নরগা অনুরাধাগী কণতুনা হায়জরম্বি, 'গাঙ্গুলি মহাশয়, মহাক্কী খুম্না থাদা চংজকম পীবিয়ু। নখোয়গী কৌন্ত-চেংগুহ্না কোম্নিক-মাইরম শেংহ্না চাম্নগ্নু ঐগীদি ফমলবনি।' করমদি তৌকনি. মাথোকগ্রবনি।"

বিজয় চঙক্লহ্না ফমহ্না লৈরে।

অহন অহ্না হায়রকই, "লুংহাংবা য়ুম অসিমক্তদা ফোংগনি। য়েংবদা থম্নমথৈ ফজদমা উবা মাই থম্নি, অহ্ মত্ত্রবদি ঐগী ইবুম্নক্তদা মাথনি। গগন চাটুযোগী থাম্নম্নবা মনে অমা লৈ, মহাকমক্কা কন্যাদান পীম্নগদৌম্নিবনি। হৌজিক ইবুংঙোনা মাবিম্নগদা লোইরে।"

বিজয়না মনাই নোনথংলক্লগা হায়রকই, "ঐনা য়ারগা ঐহু কবি তো হায়রিবগে তাকপিয়ু? তাক্লোকদু—অসিনিদন? ফরে, মহুম্না তৌরগে। হৌজিক অদোম লেংখিরো, নমস্কার।"

"নমস্কার ইবুংঙোবাবু, নমস্কার। মহুদা ভাবনি। ইবুংঙো গী পাবুংদি লাক্পতিনি। অযুক্পা শোন্নিংঙাই ওইবা মীশক্নি, মসিং শনবদা য়াইফব্রবনি।"

"মহু ওইরমগনি, অদোম হৌজিক্তি লেংঙিরো।"

"য়োজরগে ইবু ঙোবাবু, যোজরগে - নমস্কার।" হায়রম্লগা ত্রিলোচন চংখ্রে।

থুপাহু চংখ্রবদা বিজয়না তুম্মনা কপহুনা মপ্পদা খঙহন্নবা হোংলরকই মহুনি, মহাক্না কোক শাক্লনংঙাই করি লৈ? মরু ওইনা, মসি নভনা থুনীমচা অহূগী উপায় করি লৈরিগে? য়াকমহু থমঙমদবা মশকমু নত্তে, সংসারদ' খেক্লদবা মহৎমু নত্তে, অহু ওইরবদি মহাক্না মথরায থুঙ ইত্রিবা করিগীনো?

খঙহৌদনা মহাক্না বিনোদ খেমকী য়া খঙনিং জিশিংলক্লে, অনুরাধানা মবুংগা মসি হয়হুনা খংনখে মহুদ, শাগৈ ভাতকা চাউথোকচবা কোনবনা মঙোন্না করি কাম্নগদগে, লাগনা চখোম অনিদং চাবা ফংলবদি মহুনা মঙোন্না থ্বাইদগী ফরবনি।

য়ানিংদহুনা গগম্না শাউহুনা হায়রম, "নঙনা ইপা-ইপুগী মিংচং লৈখা ভাহনবা শাক্সরা?"

অনুরাধানা থুম্লম্মী, "মহাক মখোয়গী বাবানি, মিংচং অহু কম্মুনা লৈমুবা ঙম্লগা লৈ, ঐদি ঙম্লরোই।"

রা অসিদা চেন্নিবা মৈচাক্তু বিজয়না খঙলুবা ওমংঙ্গ, মশামকম্মু শাগৈ-জাতকী সম্মানবু খরমথৈদি থাক্তে হায়বম্মু নত্তে, অতুম ওইনমক গগমগীদমক নুংঙাইবিদবা পোক্লকই অমস্তুং অনুরাধাগী মচিন খোয়'না পাউগুমহু অহুক্কী মত্তিক থল্লুবিবমখে মহাকপু ঈকাই-খঙদবী, অপাম-মীহো চাউবী অহুগা মপুকচেল পিকপিনি হায়মা লৌরকই।

সোমদা গুম'ংদা মী জীনবা কৌরক্লে, হন্দক্তি মখোযগা লোয়নবা থবক কৌ'না ত ই, অহুবু ঙসিদি মহাক হৈংগিংবা কন্নিমত্তা পোক্লে। চৌকিদার থাহনা মখে'য়বু থাদো'কহনখ্রে অমস্তুং সজোমদা ফম্মদগী কন্নি থল্লক্লবমো খঙদে মহাক চুম্মিন্ন না যুমগী মনুংলোমদা লাক্লে।

চা'কপঙগী অহাংবা মাঙ্গলদ। ফক থ ঠমা অনুরাধা হিপ্লি, মহ ক্কী মাক-য়েংতনা বুমায় অমস্তুং সন্তোষ নুপামচা অনিহ,—মহ ভা'তকী রান্না চথরি। নুমিদাংগী চাক নুমিৎ ত ফাংক্রিডেদা খো'ংদোক্লগা নুমিৎ থুদিংগী মক্তো অমুম্মা নুপামচা'শিংদা সন্ধ্যা রান্না লিবি, অহুগী মতুংদা কুমায়বু পীজ-পীথক্লগা ম'াক্লোমদা মপাগী মনাক্তা থাই।

থাবল ফা অঁহিংনি, মমা পু লবা হৈনৌ পা'ম্বীগী উনাক্তা ফাওথনক্লু'না থাজগী মঙাল মচেৎ মচেৎ মখোয়গী হককচ'ংদা, মমাইদা তারান্নি।

উ মকুমদা নুপা অমা থাইকৈ অদোমদা লাকপা উবদা অনুরাধ'মা ওক্লুনা হংলকই, "কনানো ?"

"ঐনি বিজয়নি।"

মখোয় অহন্মক তৌফম খঙদনা হৌগংতুনা ফম্মী। সম্ভোষনা বাবুমচাবু য়াম্না কী, অহানবা নুংসিংকোইদ মহাক কাউত্রি, কৌথি-কৌক্রমমা হৌগংতুনা চংত্রে, কুমায়সু মতুং ইনগ্রে।

বিজয়না হায়রকই, "ত্রিলোচন গাঙ্গুলি খঙবিরা? ঙসি মহাক এগী মাক্তা লাক্রম্মী।"

অনুরাধা ইঙক ঙকগে, হায়রকই, "অদোমগী মাক্তা? অহুবু অদোমদি মাগী মরম তোপনস্ু মত্তে।"

"তোপ্দে। অহুবু তোপ্পনাদি ইবেম্মগী খুদোংচায়মগদবনি, এমা মো মা ওংখিবগী ইবেম্মনা এগৈন্দা নোংমা লমম খুবা য়ায়মগদবনি।"

অনুরাধা তুম্মিন্না লৈ।

বিজয়না হায়রকই, "মহাক্কা অদোমগা লুহোংগমি লেপ্পরে হায়না মহাক্কা খঙহল্লম্মী। মসিবু অচুম্বরা?"

"হোয়।"

"ইবেম্মা মপামক্তা রাফম অসি হৌদোক্কুমা বাবু য়াহনখিত্রা?"

"হোয় মহুমক্তি।"

"মহুমক করিগুম্বা ওইরবদি মসি থোইদোক্তা ঈকাইনিংঙাই রাফম্নি। মপ্পগী ইবেম্মগীদা মত্তে, এগীসু!"

"অদোম্না ঈকাইখিগ:দাম্নিবদি করিগীনো?"

"রাফম অতুমক খঙহনবা লাকচল্লিবনি। ত্রিলোচন্না হায়রম্মী, মপ্পগী এমা তামবদা ককণ্ডাওনহুনা হায়রা করিনো ইবেম্মনা রাফম অসি হৌদোকলুম্মিনি। মসিসু হায়রম্মী, ইবেম্মগী

চংজফম লৈঙে, অদুগা য়াম্না কম্না হায়জ-নোংজহুনা মাবু য়াহন-খিবনি, মহু নংলমম্রবদি চহি মতাং অসিদা লুহোংনিংবগী অপাম্বা মাদি থাদোকউৱবনি। তুপ্রগী ইবেম্মনা কপ-লাউহুনা হায়জরবকুদা চানবিহুনা ত্রিলোচন্না য়াবিখ্রিবনি হায়।"

"হোয়, পুম্নমক অচুম্বনি।"

বিজয়না হায়রকই, "ঐনা তাংখোকপগী ৱাফমদু ঐ ইশানা ককথংচরে অদুগা ইশাগী ফজ্রদবা শাক্ষং অদুগীদমক তাকপিয়ু হায়জরি।"

অনুরাধা তুম্মিনা লৈ।

বিজয়না হায়রকই, "হন্দক্তি ইশাগী মাইকৈদগী ইবেম্মনা ৱাফম অদু উম্মরোই হায়দোকপিদ্রো।"

"নত্তে, মহু হায়রোই। ঐনা হায়দোকপ্রবনি, মরাম পুম্নমক তাগ্রবনি—মীনা মহাকপু নোক্নখিরগনি।"

"ফিত্তমসিদবু নোক্নখিগদ্রা? মহু মত্রগহুম থোইনা হেন্না নোক্নগনি। মাগী মত্তিক চাঙবা মঙাশিংগা থংনগনি, মখোয়গী ঊমংদা শাথীনা মহি লাংবা অমা থোক্কনি, ইবেম্মা অশামক শাক্ত ফংদবগী দপাল নাইরোই, ৱাফম পুম্নমকসি থম্বহুনা য়েংবিরব্রা?"

অনুরাধানা খোজেল পিক্না হায়রকই, "য়েংজরে। ঐনা থাজবদি মহু পুম্নমক কন্নিম্বু তৌরোইদ্রা খল্লি।"

অসি তাবদা বিজয় চঙ্কুম্লে, হায়রকই, "অহল অদু কয়া লুইনা হিংখিগনি অাশা তৌবিবগে?"

অনুরাধানা হায়রকই, "মপুংবাইবগী মপুন্সি শাংবা সংসারদা হুপী খুদিংমক্তা আশা হেন্না তৌনখ্রিবনি। অনুমন্থু ওইবা য়াই শাইমোন ভক্ত্রুমা ঐনা হান্না চংখিবন্থু।"

বিজয়না রা অসিগী পাউথুম থিদা ফংদ্রে, চপ যুংবা লেপতুনা কৈদ্রে।

ডাইহাক মতৌ অমুম্না চিক্লা লেপ্লগা তুংদা অনুরাধানা মোল্লুকপা খোল্লাংনা হায়রকই, "অদোম্না ঐবু চংখিনবা তাকপিখি অচুম্বনি, অদুবু মহ্ন লাংমতন্থু পনবা ফাওবা পনবিদে। চাবিবদা ঐ মতিক চাবী নত্তে, অদুম ওইনমক চপ চানা খোজালগি, ঐনা কমাগী মতিক লমন তৌনশিল্লবগে হায়রবহ্ন ঐনা খঙহন্‌জবা ঙমদে।"

বিজয়গী মফমদগী পাউগুম ফংদ্রবদা মহাক্না হায়রকই, "ঈশ্বরনা খঙলিমি, অদোমগী মায়োক্তা কমাগী মফমদন্থু ঐনা রা অমত্তা হায়দে হায়বা হায়রল্লবদি ঐগী ইরাল ওইরমগদবনি, ঐহাক ওইদবা ডাংবা হায়বহ্ন ওইরমগদবনি। গাঙ্গুলি মহাশয়না কয়িঙ্গুম্না খরা হায়রম্না খোল্লবন্থু মহ্ন মশাগী রামি ঐগী নত্তে। অদুম ওইনমক মাগী ওইমা ঐনা ডাকপিয়্‌ হায়জরি।"

বিজয়না হংলকই, "ইবেম্মখোয়গী লুহোংবা কৈদৌঙ্গেনো, কালেনগী ভরাছমদোইনি পামবজ্রা? অদু ওইরবদি বা অমম্মোন রাংদি—নত্রা?"

"হোয়, মহুনি।"

"মসি লৈখোক-লৈশিন অমুক মারম্বিরোইদে ?"

"য়ারমদবা য়াই। মরু ওইনা, মচুম্মা মহাক্না চেংনা হায়রম্মী।"

বিজয়না ফনা কুইনা তুম্মিন্না লৈরগা হায়রকই, "অদু ওইরবদি ঐনা করিস্থু অমুক হয্যনিংঙাই লৈত্রে, অদুম্ম ইশাগী থুংগী পুক্নিং অমুক্তুং শন্থহনা য়েংবিরত্রা, মসিমি ঐনা য়াম্না লুংঙাইজত্রবসি।"

অনুরাধানা হায়রকই, "অমুক্তা নত্তে, চাম্মরক হম্না খল্লুনা য়েংজরবনি বাবুমচা। মসিমি ঐনা অহিং-নুংথিলগী খল্লিগা হায়রবু। অদোমবদি ঐগী য়াইফনবা খননিব মীশক্তি, অদোমগী মফমদা তৌবিমল থঙবা উংচননবা ভশেংনম ৮ পোল থিবা ফংদে, অদুবু অদোম ইশানা অমুক্তং ঐগী রাফম পুম্নমক খল্লুম্না য়েংবিয়ুদনা। ইরল লৈত্তে, ইশক ফজদে, ইমুম লৈত্তে, কোমবিনবা কনা লৈত্তে, ইখোমদোমদনি, থুঙংনী অনাচার-অত্যাচারদগী নাপ্নোক্তুমা কদায়দস্থ চংজক্লকম লৈত্তে—চহি হায়মা কুনহুমদোইহ-কুন্মরি ওয়ে— মহাক নত্তনা কনানা ঐবু নুংহোংবিনিংগদগে হায়বিয়ুদনা? মতমহুদা চেং থুমা অমগীদমক কনাগী মফমদা থুং ফিংথোক্তুমা লেপলুগদগে? মহু তম্মক্লবদি অদোম্মক্না করি ঙমবিগদগে?"

পুম্নমক অসি অচুম্বমক্তনি. য়েংনুমিংঙাই কখিম্থু লৈত্তে।

মিনিট অনি-অহুম থুমদনা লেপতুনা লৈরগা বিজয়না অকনবা অনুতাপকা লোয়ননা হায়রকই, "মতমদিদা ইবেম্মগী

য়াইকনবা ঐনা কম্বিমত্তা তৌবা য়াররোইদ্রা ? য়াম্বদি হু·ঙাইগদবনি।"

অনুরাধানা হায়রকই, "অদোম্মা ঐগী য়াইকনবা য়াম্মা তৌবিরে, কনানম্তু মহুম্মা তৌবিরোই। অদোম্মা চংজক্ক পীবিহুনা ঐবু চিংনবা লৈহন্দনা লৈহনবি ব্রি,—অঙাং অনিহু ঐগী হূমিং-থানি—মসিনা ঐগীদি ফবরবনি। অদোমগী মকমদা হায়জরি, অদোমগী থম্মোয়দা ঐবু ঐগী ইবুংগী দোষ শকক য়াবী ওইনা অমুক লৌবিরগনু, ঐ ইশানা থঙনা করিগুম্বা ইরাল অমত্তা লংজখিদে।"

"মহ ঐ থঙজরে, ইবেম্মনা হায়মলিংঙাই ওইদে।"

অসি হায়রম্লগা বিজয় তপ্পা তপ্পা মপাক্লোমদা চংল্লে।

মণ্ডা

কলিকাতাদগী ইঙ্গাং-মাপী, উটেং-বাবৈ, অথুম-অহাও থারকই; বিজয়না পোলাং লৌহনুরগা চাকশঙী মাক্লোলনা থমহল্লগা হায়রকই, "য়ুমদা লৈরিমিনা শোরদঙমক—"

ইহুংদগী খোজেল পিক্লা থুন্নকই, "লৈ।"

বিজয়না হায়রকই, "মুখ্রে ইবেম্মবু কৌবসি। ঐখোয়গী সমাজদা ওইরবদি মিস চ্যাটার্জি মত্রগা মিস অনুরাধা হায়হুনা লায়না কৌবা য়াই, অচুবু মকম অসিদদি মহু চংমদে। ইবেম্মগী হুপামচা অনিহুগী মরক্তগী অমা লৈরম্লবদি 'নখোয়গী মদোমচা

কৌরকউ' হায়তুনা থবক পাংথোকপা য়ারমগনবনি, অহুবু মখোয়সু মাংখ্রে। করি হায়না কৌজৌ হায়বগে?"

অনুরাধানা থোঙ মরাদা চৎথোরক্লগা হায়রকই, "অদোমদি মপুনি, ঐত্তোম্না রাধা হায়তুনা হেক্তা কৌবিয়ু।"

বিজয়না হায়রকই, "কৌবদা য়াম্মিংদবা নৈতে, অহুবু মপু শাবগী অধিকারগী পাক্লনদদি ওয়ম্লোই। দায়ী ওইরিবদি পগন চাটুয্যেনি, অহুবু মহাক্তি মীরোং ওইদ্রে; মপুনি হায়না লৌবিগদৌরিবদি করিগীরো? মহুদা ইবেম্মগী কাম্নবা করি নৈবগে?"

মনুংদগী অম্মুম্নদা হায়রকপা তারকই, "অহুগুম্বা বাহু তাকপিগনু, অদোম মপু করিগী ওইদনি!"

বিজয়না হায়রকই, "মহুগী দাবী তৌদে, অহুবু ঋরমকী দাবী তৌবনি। ঐনা য়াম্না হন্নি, মিং পন্দুনা কৌবদা য়ারৌবিগনু।"

"য়ারোরোই।"

বিজয়না মসি উরে মতুদি, মকশিন্না চাম্নিংবগী অপা মা মহাকী মাইকৈদগী ফনসু কসনু, মাইকৈ অসোমগীদি মন্নিক অমা ফাওবা উদে। মহাক কন্নিওগা মওংদসু মাংদা থোরক্লে অমঙ্গং শন্না অহুগা কী-হঙ্গোইজম্না মরুমদগী হেক হেক পাউথুম পীরকই।

বিজয়না হায়রকই, "য়ুমগী ইস্থাং-মাপী, উটৈ-বাটৈ, অমু-অহাও থম্না থারকই। থাওসি থাংজিন্নুবা থবিয়ু, অচোংশিংদা পীজৌ।"

"অহুম লৈখিসনু। দয়কার ওইবা লৌহৌরগা অসোন্দা খিলহজরক্কে।"

"মত্তে, মহ্ তৌখিনু। ঐগী বামোন্দু খোং-থাকপা হৈতে, হুখিং মুংবা মতুংদগী ফি জপকংতুনা হিপতুনা লৈরে। কনাখা খঙগনি ইবেম্মখোয়গী লমসিগী ম্যালেরিয়া পক্রা করিনো থাহুঁ। মহ্ ওইরবদি খরা রাবা তাই।"

"অহুবু ম্যালেরিয়াদি ঐখোয়গী লমসিদা লৈতে। বামোন হৌগংলক্রুবদি মুংদাংগী অদোমগী চাক কনানা থোঙ্গদগে ?"

বিজয়না হায়রকই, "চরা অসিমগী রাদি থমবিক্রনু, থন্দুনা য়েংবা হায়বহ্ মতায়দে হয়েং অয়ুক। অহুগা কুকরহুদি পুরকই, মীনাইগী মতেংনা করি তৌবা যাবগে য়েংবা হায়বহুনি।"

"অহুবু মহ্ মুংঙাইগদ্রা ?"

"মুংঙাইনি। ইশাগী হৈমগী লৈ, তঙাংনা চাবদা হৈমদবা উবদা পুক্লিং মুংঙাইতবদি য়াই। অহুবু মহুগী থৌদাংহুদি হুবেম্মনা লৌখিরে। মুংদাংগী করি থোংবিগদৌরিবগে ? থাওসি হাংদোক্লুনা য়েংবিয়ুদনা করিঙৈ চন্নবা য়াবা থাউদ্রা।"

"করিগী চমমোইদনি। অহুবু চরা অসিমীদি ঐ চাক থোংলমোই।"

"থোংলমোইদবা ? করিগীনো ?"

"হুনাবগী মশা শাবুং শাবুংই, চাক থোংনুরবদি মহাক চাক চাগনি হায়রহনা লিংঙাই তৌরকনি। ইসায় থোংবগী থরা লৈখিবসি সন্তোষতা শীজরগা য়ারগনি।"

"মাবু মশা শাবা? কদায়দা লৈবগে মাবু?"

"এগী কয়ুংদা হিপ্লি—সন্তোষকা য়াম্না শাপ্লি। ঙসি মপালদা চংলম্মোই, এগী মাক্তা হিপ্লগনি হায়।"

বিজয়না হায়রকই. "অদুম ভুমজরসনু, অদুবু য়াম্না লুনা তৌখিরবদি মহাক অ'ংগী যুমদা চংমিংলম্মোই। মতমদুদা মাবু লাক্লু'দা শা-শান থে ক্লগনি।"

"মত্তে, থে'ক্লোই। কুমায় হায়বা ইন্দবা অভাং মত্তে।"

বিজয়না হায়রকই, "কম্বি তৌবগা হায়বা ইন্দবা অভাং ওইবগে হায়বঁদুদি ইবেম্মনা শঙবিরিনি, অদুবু ইবেম্মদা মানা খোইনা হম্লনা ওং-লৈবদি মত্তে হায়না ভাই।"

অনুরাধানা ঙাইহাক তুম্মনা লৈবগা হায়রকই, "মানা লৈজরবসু এঙে'ন্দদনি, কমাদসু লৈক্লদে।"

বিজয়না হায়রকই, "মদু এ খঙই। অদুবু মদোমচানা মদু খাংনা ঙম্বিসনু, অদুবু মমাবে ক্লবি ঙম্মোই। অদুগা মমা পোক্লবী করিঙনা লাকপা থোক্লবদি খিঙং লৈক্লবদদা মহাক্তি শাংনা ঙম্মে ই। মতুদা হৈলহ্লবদি মক্লনা খাক্লী খুদোংথীবা ওইরকপা য়াই।"

"মচগী খুদোংথীবা যে কহনগদবী অদুগুম্বী মমা পোক্লবীদু পু'শ-বিরুক্লদোম্বিবা কবিগীনো? পুশিনবিরুক্লবনা কৈ।"

বিজয়না হায়রকই, "পুশিলকদবা মত্তে, অভাংগী ময়াইবক্লা শিহবদি মমা পোক্লবী মশানা মখোঙনা থেংনা য়ুমদা লাক্লবি।

মতমহুদা খুদোংথীবদগী নাম্থোক্লনবা মহাক মদোমচাগী মনাক্তা চংজকপ লৌরবা তাই, তশেংনা মহাক্না যাবিরবদি।"

অনুরাধানা হায়রকই, "মনা নৈতবা অঙাংবু মদোমচানা ছুন্দোক্লুনা থক থবা ওমদে, কনা যানবু ওইরবসু মী ওইনবা শেখি।"

"য়াসি থঙজিন্দুনা থমজহৌরবনি।" অসি হায়রগা বিজয় মখোঙ থাংদোরকই. অদুবু হন্দলক্লগা হায়রকই, "করিগুম্বা তক কমবা য়াবু চাকপিগনি হায়রবদি য়া অমত্তা হংজগে।"

"হংবিয়ু।"

"কুমারনী থমবদি কোম্না য়াই, ময়মদি মাগীদি মপা হিংনি। মাবু কনা তমথীনা মীনা থমজরবসু যাদি মহ অংত্তে। অদুবু মস্তোব? মাগী মমা-মপা অমিমক লৈরে, অনৌবা মখুড়া ত্রিলোচনগী য়ুমদা করিগুম্বা চংজকম ফংলবা থোক্লবদি কমদৌ-পদগে? থমবিরক্রা য়াকম অসি?"

অনুরাধানা হায়রকই, "মদোমচাগী চংজকম ফংলগা, মচেগী মচাগীদি ফংলোইদ্রা?"

"ফংবদি চুবনি, অদুবু উবিরবা থয়মথৈসিদগীদি মহু অদুক হাক্না থাজকুবা ওমদে।"

য়াকম অসিগী পাউখুম অনুরাধানা খুদক্তা পীবা ওমদে, থনবদা মতম থম্না চংবে, অদুগী মতুংদা ঈংনা অচেংপা থোক্কলনা হায়রকই, "মতমহুদা উখোল্না ঐখোয় অমিগী চংজকম ওইগনি। মহুদা কনানসু থিংলবা ওয়োই।"

বিজয়না হায়রকই, "মদোমচাগী মতিক চাবা রানি হায়বা মাজিদবা ওমদে, অহুবু মহু ওইথোকপদি মত্তে। মতমচুদা ঐগী নাক্তা মাবু থাবিরকউ। কুমারগী মকপ্নি মা, কুথারনা করিগুম্বা মী ওইরবদি সন্তোষমু ওইগনি।"

ইমুংদগী করিগুম্বা পাউথুম অমত্তা অমুক পীরক্তে. বিজয়না চাইহাক ওাইদুনা লৈরম্লগা মপালদা চংখ্রে।

পুং অনি-অহুমগী মতুংদা থোঙজিন ময়াদা লেপতুনা সন্তোষনা হায়রকই,—"ইদোমচানা চাক চাবা লাক্‌পমু হায়রকই।"

"ঐকুম্বা?"

"হোয়," হায়রম্লগা মহাক চংখ্রে।

অনুরাধা চাকশঙদা চাক শিন্দুনা লৈ।

বিজয়না ফিদাদা ফমলগা হায়রকই, "অহিংসি অহুম লেনবা ক'রগনবনি, করিগীনো অমুক রাবিকম্লিবা?"

অনুরাধা লাপ্তক্লা লেপ্লি, তুম্মনা অহুম লৈ।

-চান-থক্লবা কাহেম্না-শিন-লাংবদি লত্তে, অহুবু থরাম রাউবগী খুদমদি মথেল খুদিংমক্তা ফংই। ভোঙান ভোঙান হাপতুনা চানথিশিংহু সিংথিনা শেমদুনা থম্লে।

চাক চাবা ফমথরগা বিজয়না হংলকই, "কুমার কম্নি চান্দ্রিকগে?"

"সাগু থক্লগা তুমখ্রে।"

"থংমজ্রবা ওসিদি?"

অনুরাধা নোকখোরক্লে, হায়রকই, "ঐগী মাক্তা চুমগনি, হায়রুবা মালা য়াম থাইদা কানা থৌই। তুপশং থংমক্রে হায়বা য়াই।"

বিজয়না হায়রকই, "মাবু লাক্লবদা ইবেম্মগী য়াই-চিনবা ফেমপাংলবনি, অদুবু ঐগী যেৎথিত্রি মচুত্তে। মা মশামক্না কনদোমা ইবেম্মগী সংসারদা মনা-মপুরক নাইদনা চংখ্রিবদো হায়রবা অদুমক্তি ঐনা খল্লিবসি।"

"ঐসু ওংশংনা মতুমক খল্লিবনি।"

"মা য়ুমদা হনগ্রবদি ইবেম্মা শুংগাইহৌরোইজা খনি।"

অনুরাধা তুম্মিন্না লৈ, মতুংদা হায়রকই, "চংশিন্ত্রিতৈগী মমাংদা অদুম ওইনমক রা অমদি য়াখিরম্মা তাই। মাগী মপুক্লিংদা শুংগাইজবা পোকখিদনবা মিংয়েং থম্বিগদবনি।"

"অদুবু ঐদি মপালদা থবক্তা য়াওরদুনা লৈ, রাসি তাকপা তমগনি হায়বা থাজবা তমদে।"

"অদু ওইরবদি মহাক ঐগী মাক্তা থম্বিরম্লগা চংশিল্লিগদবনি।"

"ইবেম্মনা কাউথোকপিরে মতুদি মনুমা অমুক হেন্না ওই-থোক্কে হায়বা।"

অসি হায়রগা বিজয়মা নোক্কুমা চাক চাবদা মপুক্লিং চংখ্রে। তাজা অমদা হায়রকই, "ঐখোয়গী ইচৈমখোয় লাকপগী য় ফম লৈরম্বনি. অদুবু মখোয় অমুক লাক্লরোইদবমাকে।"

"করিগীনো?"

"রাখল অমগী মমাইদা হায়রকখিবনি, মদু কোকখিদুনা ওইরবা য়াই। শহরগী মীনা থুজংদা পাক শেক খোজাবা

পামদে। মওং অমদা করবনি। ঐ অমখক্তীদমক্তা ইবেম্মনা অহুক হাক্লা খুদোংচাদবা থাবোক্লবিদি, মখোয় লাক্লমবদি অমুকা হেনগংলমগদবনি।”

অনুরাধানা থাকম অসিদা য়েংলুনা হায়রকই, “অসুম্বা হায়বিবসি অদোমগী চুমদবনি। থুমসি ঐগী মক্তে, অদোম-খোয়গীনি। অহুম ওইনমক মকম পুম্নমক ঐনা কনশিন্নুনা লৈরগা মখোয় লাক-দা শাউগদবা, মহৃদগী য়েম্না চুমদবা অমা লৈকম থোক্তে। ঐগী মরমদা অসুম্বা থনবিবদি ঐহাকপু তশেংনা লায়না লৌবিবনি, অহুক হাক্লা ঐহু চামবিবগী ঐগী মাইকৈদগী লমম শিংবা হায়বতু অসিরা?”

বা অসুক থায়া মতৌ অসুম্বা মহাক্লা কৈদৌউত্তদতু তাংখিজি। পাউথুম তাবদা বিজয় চৎকল্লে,—অহুক হাক্লা লাইরিক হৈতবা খুদং বিতোলদি হায়না মহাক্লা থজবতু তায়োমরে। তাইহাক চপ চুংনা লৈরগা মশাগী মপ্রাল য়াজহুন্না হায়রকই, “তশেংনমক অহুতবা বা ঐনা তাংন্নুবা চুমদবনি। অসুম্বা হায়রুবা থাবা মখোয় অহুদগী ইবেম্মমা থায়া য়েমা বাংই। অহুম্ব হুমিং নিদি-হুম্বিগী মচুংমক্তদা ঐ থুমদা হনখিদা তারে, সিদা লাকপগা অহানবদা ইবেম্মগী মকমদা ফজদবা ব্যবহার কয়া উৎক্রে, অহুতু মতু থওদবমনি। অহুম ওইনমক, সংসারদা অসুম্বা চৎমরি, অসুম্বা থোক্লবি। চংক্লিঠৈগী মথাংদা ঐনা থায়া ঈকাই ঈকাইনা ঐহু তাকপিনবা হায়জক্লি।”

অনুরাধানা হায়রকই, "ভাকশিবা অদোমদি ফংলয়োই।"

"ফংলরোইদবা? কদিগীদো?"

"লাকপদগী হৌমা তৌবিরক্লিবা অত্যাচার অদুদা ভাকশিফম লৈতে।" অনি হায়রগা মরাক থোকথোরক্লে।

মুশি মুশি ভরিবা থাউমৈগী মঙালদা মহাক্কী থোকমি থোকমিবা মাইথোংদা বিজয়গী মিংথেং তাক্করে অমসুং মিংকুপদুকে ায়কম থঙদমা অঙকপনা মহাক্কী থম্মোয় মথুম-মরাং হৌহল্লগা অমুক চপ লেপখ্রে। ভাইহাক চঙক্লবা লৈরক্লগা হায়রকই, "মহুমা কৈ, ভকশিফগী কায়বা লৈতে। মরাল লৈবা মীশক ওইদুনা পুন্সি চুপ্পা থিংশিংনবা।"

মবাদিমক ফুন্দিন্না লৈ। মিমিট অনি-অহুমদি কাহু মপুং-ফানা পুমচিক চিকই।

অচিকপহু থুগায়রকই অনুরাধানা। হংলকই, "কৈদৌঙৈ অমুক লাকপিগদগে?"

"মমক মরক্তা লাকপা তাই থঙলে, অদুম ওইনমক উরবদি অমুক ফংলয়োই।"

মাইকৈ অসোমদগী মহুদা থেংলক্লে, অদুনা মহু অদুবদি হায়বা থঙবা ঙম্মে।

চাবা লোইরগা বিজয়না মপালদা চংলমদায়দা অনুরাধানা হায়রকই, "থাওহুদা ইস্পাং-মাপী মান্না মাওবি, অদুব মপালদা অমুক থিগ্লোকহল্লরোই। হয়েং অয়ুকস্তু অদোম পিদা দুম চাবিয়রগদবনি।"

"রাই। অহুবু ঐহাক চাক য়াম্বা লামগল্লি হায়বা থত্তবিরম্মদে। মহু নংলমমরবদি হায়জরমগদবনি, ওপ্নগী অয়ুক্তা মহে. চাকৌবগী মতমহ কুমিং থরমিগা শাংদোকহনবিননবা, অদোমগী থুং চায়গা কুমদা চংপা য়ামনবা।"

অনুরাধানা খুম্নকই, "মহুদি ঐগী লাইবক কনবনি।"

থংন্নবা কুমিংকী লোংতনবগা মখল মখলগী চান্দ-থক্লবা পোং অনুরাধাগী চাকশঙগী মাঙ্গোলদা ৎ মরে। মহাক্কা য়াজিদেবা ভৌব্রে, কৌশিল্যুবা থব'ম্ম।

মসিগী মতুংদা কুমিং কনিগী মচত্তা নুমিং মত্তানি হৌরে। কুমায় মপুংফানা মশা কল্লে।.

কুমিং থরমি অসিদা বিজয়না লাংতক্লদগা লোয়ননা উররকই মহুদি, অতিথি সেবাদা অশোয়-অভাব নাইদৈ খুদি মত্তা য়াউদ, অহুবু পরিচয়গী থাম্নবদি অহুম লেংদনা লৈরে; করিগুম্বা অমগী মখিক্লো ওইরবসু থিজিল্লো নকশিল্লকে।

মাঙ্গোলদা চাক চাকম শেম্নগা অনুরাধানা ইমুংদা শেমশানরুম্মা থম্মী, "ওাম্বোক্পমা সন্তোষনা। কুমায়না থোররক্লগা হায়রৈ, 'বাবা, ইদোমচানা ডা থেঙবহু অহুক য়াম্বা লৈমহনবিবা য়ারোই, থম্বগা চাশিনবিথো হায়রকই।' বিজয়না হায়, 'নথোয়গী মদোমচাদা.কায়রুচো, বাবাবু হিংচ.বঙুম্মা মা-। থল্লিবহু চুমদবনি।' কুম্মায়না অনুক হন্নক্লগা হায়রৈ, 'ঙাথোংবহু লৈজরসনু, মহু হাৎরম্মরোই, অহুবু ওয়াংগী মকৌত্তম্মা কোন্দা শঙোম মচি লেংদনা

খনম্নবদি মহাক্তু মখরায় মুংঙাইহ্রোই।' বিজয়না তাহল্লুনা হ্রায়, 'মখোয়গী মদোমচানা হয়েংদগী হৌনা গামলাগী মহুৎতা চেক্ষোংবা শক্তোম্ন হ্রাথক্রবদি লেমহল্লোই।'

তক্ষক

মতৌ অম্বুম্না মুমিং মতাংদি হৌরে।

ভুপী ওইবীশিংমা লুনা তৌবিবগী মথি বিজয়গী খন্মায়দা মশেল-ময়াং ওইনা তায়রম্মী, মথাক্ মহাক্না অতাং ওইখিদ্রৈদগী হৌনা লোনদ্র-তানদ্রী ওইনদা উবকই, মুমুমেনবী অমা ওইনা করিন্তরা মখৌ অমত্তা মহাক্না মপুংফানা পাংখোকপা ঙমদে—মশাগী হুপী ভুপগী চহি অমিদমক হিংলম্মী—মতমমুদা মহাক লাইরিক তম্মি। অহুগী মতুংদগী মতম য়াম্না শাংনা খাম্নবা মীরৈবাক্তা লৈরুই। মাইকৈ অদোমদা খেংময়কপ-উয়কপদগী ফংলকপা অক-কত্তগী তানগী মিংশিংবা কম্না মাপী খন্মোয়দা য়াদি তাদ্রি, অহুমু পুম্নমক মদু ওইখোক্লবনা পুম্নবা লাইথিক্তা খেংলবা শাশিম্নবা বাম্নীঙম্মী। পুমিদা তশেংনা দমকায় ওইবগদি মদু তৈত্রে লৈজদমক্তম্মী।

অহুগা লৈদি মহাকী ময়াবগী হুপী জতামমী। মতৌনা ওইকীনা ম্নায়েম্নবা, অক-কত্তা তারোক-তাশিদ তোবা, অহুঙবা

ইমুং অদু মখোয়গীদি নত্তে। মমানা কপ্পা কপ্পা কয়া উরে, মপাবুংনা বারোবা অমসুং মমাই মকশিনবা কয়া হোৎক্লে, অদুবু পুম্নমক অসি মহাক মশামক্তা থোরেম অমদি মীগী শথোদা খুং থিংজিনবা ওইনা থরম্মী। মমাখোক্তা মনাওমূপাগী মচাবু য়েংথি-থিবিদবা, মথোনা মনেম-মকুগী সেবা তৌদবা, মসিবু বায়া চাউবা মরালমি হায়বগী বাখল অসি মত্তোন্দা লৈরমদে। মহাক মশাগী সুপীনা মতৌ অহুগুবা শাজং চংশদস্তু মত্তোন্দা থম্মোর শোকথিবস্তু লৈথিদে। অদুবু মহাক্তী অস্তুক ফুইরবা বাখলোমদু হৌথিবা লুমিং মণ্ডামিথক্তদা চৈথেং কংহুনা মচেং মচেং ভাগ্রবগুম্মী।

ছুলি লব্যাগী ট্রেন্দা মহাক যাত্রা তৌপদৌরিবনি, মীনাইনা পোৎ-চৈ য়োম্লি, পুং অমরোমদা ভাইরে, সন্তোষনা লাক্লগা থোঙজিন মক্লমদগী হায়রকই, "ইদোমচানা কল্লিমো থম্না চাংবিয়নবা হায়রকই।"

"মতম অসিদা?"

"হোয়," হায়রগা মহাক লৈথোক্লুনা চংক্লে।

বিজয়না লাকপদা উংঙ্গে, মহৌশাগুম মাঙোলদা চাকচা-থিদা থাহনা থনয়ে; মদোমচাগী ঙকশমদা কোন্দুনা হুমাবনা ফালি, মাগী মথুত্তগী মশাবু নাহোকচহল্লগা অনুরাধা ইমুংদা চংক্লে।

ভিদাদা ফম্লগা বিজয়না হায়রকই, "কল্লিমো তৌরিবনি।"

মখুংদগী অনুরাধানা হায়রকই, "খেচভি থরা হৌহনা লৈরে, চাখিনবা তৌখিনু।"

পাউথুম পীগে তৌবদা ওসিদি খিজয় চমম শেংদোক্লবা য়াত্রে, হায়রকই, "মতম চাদনা অমুক য়াখিকখিবা কখিগীনো? অচুগা করিগুম্বা তৌবিবা তায়বসু লুচি থম্বা তাউরগা য়ারবসি।"

অনুরাধানা হায়রকই, "লুচিদি অদোম্না পাম্বিদে। নুম য়ৌবদা পুং অনি-অহুম তাগনি. চাদনা চাবা হেক্লুনা চংপিখিবা তায়বদি ঐ য়াম্না য়াহৌরোইদ্রা? ওপ্রগী থন্নুবদা লৈহৌরগনি অঙাংচু চবা হেক্লুনা গাডীদা তুম্নরগনি হায়না।"

বিজয়না তুম্মিরা ওাইহাক লৈক্লরগা হায়রকই, "বিমোদত্তা শিন্নরবনি, ইবেম্মখোয়বু যেংবিরম্নবা। নুম অসিদা লৈবিম্বিরবখে থুদোংচাদবা করিমত্তা খোক্লনবা।"

মহাক্লা ওাইহাক তুম্মিম্না লৈরগা অমুক হায়রকই, "অচুগা য়াকম অমগা থওহজরবগে। করিগুম্বা গগমগা উম্নবা থোক্লবদি হায়গিসু, ঐনা মাবু ওাকপিরে, অচুবু খুজং অসিদদি মহাক অমুক হম্না লাকহু। লাক্লবদি ওাকপিরোই।"

"করিগুম্বা উম্নরবদি মঙোম্না থওহজগে।" অসি হায়রগা ওাইহাক তুম্মিম্না লৈরগা হায়রকই, "য়াম্না নুঙ্গে ফুনার ওাংন-গদবনি। ওসি মা করিগুম্বা মওংদমু চংলু হায়বা য়াত্রে। অচুম ওইরমক কদিগী চংনিংঙ্গবনো হায়মু হায়বমু য়াদে।"

বিজয়না হায়রকই, "হায়মু যাত্রিবনি মশামক্লা থওজদে হায়হনা। অঙ্গদি ওইরগা মপুক্লিংদদি থওজরমগনি, মফম অচুনা চংলবদি মা য়াগনি. হায়বা।"

"কল্পিনী য়াগদৌরিবনো ?"

য়ুম অহুগী নিয়মদি মহুনি। অহুবু কনা য়াহুনসু মহুগী মমক্লমক্কি মাপ্পা চাউখক্লিগসি।"

"মহু ওইরবদি চৎনুরগী কাপ্পবা লৈতে। লৈবহৌরগসু ঐগী মাক্না।"

বিজয়না খোক্কুমা হায়রকই, "ঐগীদি য়ামিংদবা লৈতে, অহুবু মাপ্পা শাংলবদা থা অসিমদনি, মহুদগী হেন্না লৈহনবদি য়াত্রে—মহুদা কল্পি কাপ্পগদগে ?"

মবানিমক তুম্মিন্না লৈখ্রে।

অনুরাধানা হায়রকই, "লাকদৌরিবী মবা অতোপীহ্ লাইরিক হৈবীনি হায়না তাই।"

"হোয়, মহাক বি, এ, পাস তৌরে।

"অহুবু, বি, এ, পাসতি মাগী মমাখোকসু তৌই।"

"অচুম্বনি। অহুবু, বি, এ, পাসকী লাইরিক্তা মনাও-মুপাগী মচাবু লুমা তৌবগী পাম্মা য়াউদে। মহুগী মানা পরীক্ষা থাকদে।"

অহুবু লায়না চেন্নবা মমেম-মকুহুদি ? মহুগী য়াকমসু লাইরিক্তা ইদত্রা ?"

"ইদে। য়াকম অসি হৌদোকপনা অমুকসু হেন্না খোক্লিংঙাই মশক ওই।"

"খোক্লিংঙাই মশক ওইদবা অহুগুম্বা থম্বা লৈত্রা ?"

"লৈ। মরিক অমা কাওনা য়াখোকপবনা ঐখোয়গী সমাজগী কঙ্গবা ক্রিয়াপ্পি।"

অনুরাধানা মিংকুপম্মক তুম্মিন্না লৈকয়গা হায়রকই, "মিয়ম অহু অদোমখোয়গী অহুম ওইসনু। অহুবু অঙাংদগী হেন্না

বি, এ, গা পাবোইবা মতে হায়বা মিয়ম অসিনা থাইদগী পথাংবনি। অহুত্তবী মুপী যুমদা পুশিনবা চুমদবনি।"

"অহুমু কনানা অমত্তি পুঁশিনবা তাবনি। অসিত্তবা কাংলুপকী চংনবোলগী মবুক্তা ঐথোয় নৈবি মহুদি, মকম অহুনা বি, এ, পাশ মত্তবদি ইজং মাংরু, পুক্লিংনমু য়াম্নিংদে। অহুগা যুম পানবমু য়ারোইদবত্তমী। মচেগী মমা-মপা শিত্রবা মচাগীদমক উথোংদা নৈবা ফাওবা পাম্নিবা অহুত্তবী মুপীগমি উমং-বামংদা নৈক্কবদি য়াই, অহুমু সমাজহুদা নৈবদি য়াম্নোই।"

অনুরাধাগী [illegible] মিংকুপমুক য়াক্লকই,—"মত্তে, মহু য়ামোই। মীচুংশি নৈ.জগা মমা পোক্কবীগী মথুত্তা বাবু অদোম্না শিন্নবা ওব্বিয়োই।"

বিজয়না হায়মকই, "মহুদা চুংশাথীরুমিংত্তাই নৈতে। মরমদি, শিন্নক্কুরবমু মতোমদা আংম্বাকচহুনা কুপায় মথাদা নৈথরক্কদি। অহুমু মহুনি হায়হুনমু মহাক অহুক তমথীবীমু মত্তে, অহুগা ঐগী মুপী ওইরগদৌব্রিবা অহুপী মাইকৈদা লেপচুনা ইবেমগী বাসি ঐমা শাথীনা ককপা ওমগনি। অম্নিবা চংমরোল ফাকপগা লোয়মনা মবি-মতাগীদমক মুংজাংহুনা অয়েবদা পাজ্জল মথেং তাহক্কনবগী অপত-চুবা মথোয়দা নৈতে। দোষ অহুদি পীবিক্কমু।"

অহুরাধানা মোক্কুনা হায়রকই, "য়েংশিনিংবমতৈ য়েংশিনু, অহুমু হংজগে, মবি-মতাগীদমক পাজ্জল মথেং তাহনবা হায়বক্কিগী অর্থ কদিনো?"

বিজয়না হায়রকই, "মসি ঐখোয়গী অচৌবা কাংলুপকী ওইবা পরিবারগী লৌপুক্নি। মখোয়গী লোমচং তোংঙাক্লি, শাক্তং ময়াম্বীংতম্মী। মহুগী মমা থংগদা মচুম থেক্লোই, মনাগী মচু শংবা কাওবা শংকাংতেৎত্রিবৈ ঙেদা অকংবগী মচু ওনকই। ইবেম্মদি খুঙ্গংগী গৃহস্থ-ইমুংগী মিচোলনি, স্কুল-কলেজদা পাস তৌদে, পার্টিদা শিকনিক্কা য়াউরুদে, মহুগী অকুপ্পা অর্থ ইবেম্মগী মকমদা থম্মুহনবা ঙম্লোই, মসিদংদি থম্মুহজবা ঙমগনি, কুমারগী মমা পোক্কবীতু লাক্লগা মঙোন্দা হু লীজনবা থৌরাংসু তৌরোই অহুগা চৈ পাম্বহুমা কোইতান তাম্বসু তৌ.রাই। মরমদি মহু চংনরোলগী মায়োক্তা লৈবা লোনচংদি। মরম অসিদা মাইকৈ অহুগীদি চিংনাবক্কলবা য়াই।"

অনুরাধানা হায়রকই, "মাগী রককদি ঐ থাংদাকসরে, অহুবু অদোম্মদি মাবু য়েংশিনবিগনি হয়বা অরেপ্পা অমা হায়বিরম্মু। মসিনি ঐনা হায়জনংবা হায়ববু।"

বিজয়না হায়রকই, "অরেপ্পা রা পীরম্লিংই, অহুবু ঐখোয়দি স্বভাবসু তেংঙাল্লি, হৈনবীসু মাম্নদে। ইবেম্মনা তকপিনবসি মরক মরক্তা মিংশিংনবা ক্লোংমগনি, অহুবু পাম্বিরিবা অহু মোমা ঙাকপা ঙমগনি হায়বদি নিংদে। অহুবু ঐ চাবা লোইরে, হৌগংদগে। হৌজিক চংনবা থৌরাং তৌরুম্মগে।"

অসি হায়রগা মহাক হৌগংলক্ল, হায়রকই, "কুমার ইবেম্মগী নাক্তা লৈহৌরিবনি, মাবু থারক্লবগী মতম য়োম্রক্লবদি বিনোদপু কলিকাতাদা থিংহমবিরুকউ। দরকার লৈরবদি চিংনবা লৈতনা

সন্তোষপুর্ম পুম্না থাবিরকউ। ঐনা অহানবা নাক'মক্তদা অহুণ্ডবা শাজং চংখিবা মীশক অহু ভগেংবা ঐ মত্রবনি। থাজবা অসিমগা থনমহুনা চংলবনি—ঐগী মুমদা কুমাররনগী হেম্না সন্তোষপু খোওইরোইদবা লৈতে।"

মুমগী মমাংদা শগোল গাড়ী থাম্বি, পোং-চৈগী ময়োম হাপকংল্লে ; বিজয় ম্মাখংপা হোংনরি, কুমাররনা হায়রকই, "বাবা, ইদোমচানা অমুক্তা লাকপিখো হায়রকই।"

মপালগী খোঙ মরুমদা লেপতুনা অনুরাধানা হায়রকই, "খুরুমজহৌখিগে হায়হনা কৌহঞ্জবনি, কৈদৌউঙ্গে অমুক উমগদগে হায়বা ঙমদে।"

অসি হায়রগা মহাক্তা মঙক্তা কি য়েংহুনা থাগ্না খুরুম্মী। হৌগংলগ কুমাররু মথাদা চি'শিন্দুনা কোন্দুনা হায়রকই, "মবোকপু রাখল থজহনবিগনু। নুমিং খরামি মুপামগাশিনা ঐগী নাক্তা লৈবসিদা চেকশিন্দবা তৌরোই থঙহনবিয়ু।"

বিজয়না মোক্তুনা হায়রকই, "থাজবা নুনা থোক্কনি।"

"নুনা থোক্কদৌরিবা কনাগী মকমদমো? অদোমগী মকমদগুরা?" হায়রগা মহাকস্ মোক্কে তৌরুবদা মথোয় অনি মিংচানরে।

বিজয়না তক্ক তক্ক উবা ফংলে মহাক্কী মিংনু মাপোম অনিমক শীঙাংনা খুমহংলক্লে হায়বা।

অনুরাধানা মখাইদি নুংকনবগা হায়রকই, "কুমারবু পুরুনা চংশিল্লগা অহুম ওইনমক অঁরাবা পীবিরোইদবনি। অদুগা বা উাংনবা অমুক কংলরোই হায়দুনা হয়া হয়া হ'য়রহৌরিবনি। অদোমগী যুমগী বা মিংশিংলুবদা মাবু থাবা ঐ পাঁমদে।"

"থাবিনিংঙ্গবদি থাবিরকু।"

পাউথুমদা মহাক্না তপ্পগী মুংশা মগী অমা কাক্লিনগা তুশিল্লা লৈরে।

বিজয়না হায়রকই, "চংলমদাগিদা ইবেম্মা থাবিরবা রাকমত অমুক হন্ন মিংশিংঙ্গমগে। করিগুম্দা করিগুম্বা দরকার অমা লেক লৈরকপদা চিঠি ইদুনা ঐঙোন্দা থক্তহনবিংকদি হায়বা য়াবিরবনি।"

"ঐ মিংশিংঙ্গদ্রি। থক্তইবু, গাঙ্গুলি মহাশয়গী মকমদা চাকরিবীগী মতৌঙ্গুদি ঐনা নিংবা য়াগনি, ইশাগী থৌঙ্গোরবু হাংদোকচদুনা নিংবা ত্তাবনি, অদুবু অদোমগী মকমদদি মতু মত্তে। অপাক্না পোং টি,মবা লৈতবা পীবু হায়বা ঙমগনি।"

"অদুবু মতু কাউবিরোইদবনি।"

অসি হায়রগা বিজয়না চংখিগে তৌবদা অনুরাধানা হায়রকই, "অহ ওইরবদি অদোম্বু অয়াবা অমা পীবিরম্মু। হায়বিরম্মু, দরকার লৈরকপদা ঐঙোন্দমু থক্তহনবিরকনি হায়না।"

"থক্তহনবা য়াবা অহুম্বা করি ঐগী দরকার লৈরকদগে অনুরাধা?"

"নহু কমদৌমা খঙলুনি। এগীদি করিমু নৈজদে, অহুমু অয়কায় ওইরবদি থবায় কংখোক্লুমা সেবা তৌজবদি ঙমগনি।"

"ইবেম্মমু মখোয়না নহু তৌহনবিরগদৌ করিবা কম্বিগীনো?"

"এবু কমায়মু থিংবা ঙম্লোই।"

তরেৎ

কুমায় লাক্লে তাবদা মমা লুতোম শাহরে,— "নহুবু কদি থাদো। খংনন্নিবা মহাক অহুমক্তী মনাক্তা-থনম্নগা লাক্লিবা?"

বিজয়না হায়রকই, "খংনন্নিবা মহাক। অহুদি পাতালদা চংরে ইমা, মামু বিরুবা কনাগী মতিক নৈগদগে? মহাকী মঙনুপাহু মাগী মদোমচাগী মনাক্ত. নৈহৌবনি। নুমিৎ খয়দি নৈরগা লাক্কনি।"

"খঙহৌদনা মদোমচা ফাওরক্লিবসি কদায়দগীনোনে?"

বিজয়না হায়রকই, "ঈশ্বরনা শেম্বা সংসারদা খঙহৌদনা কমা কদায়দগীনো হেক্তা মরাকই, ইদা, কমামমু তবা ঙবা অৱে। মহাক মঙগী শেল-হুম পুহনা চুপ লুপত্রবা গগন চাটুয্যেগী মচলনুপীনি। মমদগী মহাকমকপু তাম্হোকলুগনি হায়দুনা চৈ-মোং পুহনা অকন-অথৌ লোয়নহনা লানগী শেম-শাহনা যাত্রা তৌরবনি, অহুবু মহাকী মঙহুপাহনক্লা মথক-মখা ওসহনরে। অমুমা মাগী

ফিজিদা কোন্দুনা লৈগ্রে মহৃদি মখোয় অনিমু পুম্না ভাম্বোক্লব অমুক ভাম্বোকপা য়াদ্রে।"

মমামা রাকময় ভাবনা শারগা হংলকই, "খঙলে কুমারনা মঙোন্দা য়াম্না কম্না নপ্পরিমিনে? মুশীমচাহুনা য়াম্বা লুনা তৌবি-রিমিনে? অঙাংহু লুনা তৌবিবদি কৈদৌঙৈদম্মু কংজয়ক্লুবনি।" অসি হায়রগা মহাক্না মশা মাহুনা লৈবকপহু নিংশিংলক্লুনা মুংশা মপী হোন্দোয়কই।

বিজয়না হায়রকই, "ঐদি মপালদা লৈবনি, ইমুংদা কমানা কনাবু লুনা তৌবগে হায়না মিংভা উক্লদে, অহৃবু হলক্লমদারদা কুমারনা মদোমচাবু থাদোক্লুনা লাকপা ঙম্লাম পামদে।"

অহুম ওইনমক মমাগী চিংনবা কোক্রি, হায়বকই, "মখোয়দি খুঙংগী মিঙোলনি, মথল মথল কয়া হৈবনি। লোয়মহুনা পুরক্লবসি কভুসনি মুপামচা।"

বিজয়না হায়রকই, "মহাক মশামকস্সু খুঙং-নিঙোল ওইরগা খুঙ্গী মরমদা মহাক্লা অম্নুম্না হায়বিরিবা! মমৈখংদা মহাক্না থাজবা খঙলে শহর-নিঙোলদা লৈগ্রব্রা?"

"শহর-'নঙোল। মখোয়গী চরণদা চাম্মরক খুক্লমজরি।"

অসি হায়রশা মমানা মখুৎ অনি লোমহুনা মরাইনক শোক্লকই।

বিজয় নোকখোয়ক্লে।

মমামা হায়রকই, "কন্নিগী মোক্লিবা! ঐগী অবাবা ভম্পগী ঐদনা থঙই, অহুগা মহাক্না থঙই।"

অসি ঙাংনা ঙাংনা মমিংতা ঊরা চেন্নরে, হায়রকই, "ঐখোয়গী মতমগীদে মুপামচা, অহুঙবা খুঙ্গংদবু অমুক লৈরিত্রা ? মতমগী য়াওনা পুম্নমক ওনরে।"

বিজয়না হায়রকই, "য়াম্না ওনরে, অদুবু নখোয়না হিংদুনা লৈরিমখৈ ওইরবা য়াই নখোয়গী পুন্যাদনা হৌজিকসু থম্নখৈ লেমহৌবা লৈরিবসি ইমা, মপুংফানা মাংখিত্রি। মচুমক্কী থজিক্কং হন্নক উমকই। অদুবু মঙোন্দা পোংশক অদু উহন্নবা উপায় লৈত্রবা অসিসি ঐগী থম্মোয়দা ঙুংঙাইজত্রিবা হায়বদু।"

অসি হায়রম্লগা মহাক ওফিসতা মপালদা চংলে। ওফিসকী থবক্কী নীচিংমক থাংজমদনা মহাক লাকপা তাখিবনি।

ঙুংথিনদা ওফিসতগী বিজয় য়ুমগী অপোম থংবদা মতৌনা উম্নবা লাকই। মফম অদুদা কুরুক্ষেত্রগী লাঙাও খোক্লবা খেংনরুরে। লৈতেং তৌদুনা থবা পোং পুম্নমক পুমচায় চায়না লৈ, ময়াম্না অয়াম-চেয়াগী পাম্বোমদা ফমদুনা খোঙেল কয়া হায়রি, "কৈদৌঙুংদসু নত্তে। চংমিংলগা মতোমদা চংখো। অহুঙবা ডাই-শেলগী ঐমা লেপ্লুবা—" অসিনচিংবা।

থগহৌদনা বিজয়বু উবদা প্রভাময়ী হিক হিক কপখোরক্লে,—"ইনাও-ইবুংঙো, নখোয়না করিগুম্বা মিতাংঙদা অমিতা নুংহোংনবা লোয়না লেপ্লবা লৈরবদবু ঐগী দোষ করি লৈগদগে ? ওনিনি র'য়োইগোং, মহাক্কি চংলোই হায়রি। মদুগী অর্থদি ঐবুসু চংহন্দবনি।"

ময়াম্বমা ঙাংলকই, "মঙ খঙদে হায়বা পাল্লিত্রা? ঐহ্না মমথাক তৌহ্না অসুক কুইনা থম্লকপগী কান্নবা করি লৈ?"

য়াকম অসি পাক হেক লৌশিনবা ঙমহ্নহ্না বিজয় তুককুকাই চন্না লৈত্রে, অহৌ ভাব ভাবদস্থু থিন্থিত্রে, হায়রকই, "ঙাইখো ঙাইখো। করি তৌরবগে তম্মুদনা? অমিতাগা সিতাংও ঘোষালগা মুহোংবনী য়ায়েপত্রে? ঙসি মহাগী য়ায়োইপোং? I am thrown completely overloard।"

ময়াম্বমা ঙংলকই,— "হু"! অহুগা মামা খঙদ হায়বিংলি।"

প্রভাময়ীনা কপতুনা হায়রকই, "ঐনা করি তৌরুবা ঙমগনি ইমাও-ইবুংঙো! দাদা লৈরি, ইমা লৈরি, মশাম্ব অঙাং নত্রে, মখোয়না করিগুম্বা হায়দোকপ্রবা য়া ঙাক্রক্তবদা ঐগী দোষ করিনো?"

ময়াম্বনা হায়রকই, "দোষত্তি মসিনি মহৌদি মখোয় মমথাকলৌনম চাউবা ওইদবা ঙাংবা মীনি। মাইকৈ অমদা ,য়া লোয়খোক্লগা মাইকৈ অমদা লোম্না তুম্বিন্না লোইশিন্নরি। হৌজিক মীনা মচিন খুমহ্না নে কুরগনি,— ঐ ক্লবতা পার্টিদা ঈকাইবনা মাই উংপা ঙম্লরোই।"

প্রভাময়ীনা অহুম কম্নগী খোন্থাংদা হায়রকই, "অসিত্তব্দ অতৈদা থোক্লুদত্রা? মহৌদা নহাক্না ঈকাইগদৌরিবা করিগীনো?"

"ঐনা ঈকাইরিবদি নঙগী মনাও-নুপীনি হায়হুমনি। ঐগী নুপী-মপামগী পুন্নমক হুরম-লাম্না ঙাক্তনি হায়হুননি। মহুদা মঙগীস্থু শরুক চাউনা লৈ হায়হুনবি।"

মরাম্বগী মাইথোংদা য়েংহনা হন্দক্তি বিজয় নোকথোরক্লে, অহুমু খুদক্তা লুকথহনা প্রভাময়ীগী খুয়া-উকুল লৌহনা মকোক্তা হাপকংলগা মাইথোং মকা-লাম্না হায়রকই, "ইতৈনা, দাদানা লাউমিংবমথৈ লাউজসমু, ঐ শাউবা মত্রগা মুংঙাইহনবা তৌরোই, থোইদোক্লহন্ম করিগুম্বা মসিদা মহাক্না জশেংমমক শরুক য়ারম্বা থোক্লবদি মহাক্কী মকমদা ঐহাক পুক্নি চুপ্পা লমন তোল্লগদবনি।" মমাই নৈথোরক্লগা হায়রকই, "দাদা, নহাক্না শাউরিবসি জশেংনা চুমদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক্তদি হায়দোকপবা য়াগী করিগুম্বা অর্থ অমত্তা লৈবা মত্তে, করিগুম্বা হোংদোক্লবগী খুদোংচাবমু লৈরবদি। নুহোংবা হায়বসি অঙাংমা শারবা মত্তে। মিস্তাংশু আই. এ. এস. ওইরে। মহাক্তি মমল য়াম্না কায়বা মীশক্নি। অনিতা মশক ফজৈ, বি. এ. পাস তৌরে—অহুপা ঐদি? সিদমু পাস তৌদে, বিলাত্তমু চহি তরেৎ-নিপাল মাংহনগা ডিগ্রি অমা ফাওবা পুরকপা ঙমদে,—হৌজিক হৌজিক উগী হুকান্দা উ য়োন্দুনা চারিবনি, ফমগী চাউথোকচমিংঙাই লৈত্তে, উপাধি ফংবমু লৈতে। অনিতাগা করিগুম্বা অরানবা অমত্তা তৌদে দাদা।"

মরাম্বনা শাউনা হায়রকই, চাপ্পরক হনা অরানবা তৌরবনি। অসিদা নঙনা করিমত্তা মুংঙাইহনবা তৌদে হায়নিংলিব্রা?"

বিজয়না হায়রকই, "দাদা, মহাক্তি গুরুজনি— মীনবা ঙাংজরোই— মথোঙ শোক্তুনা হায়জরিবনিনি, ঐ গুপশিং ফাওবা মুংঙাইহনবা তৌদে। ইশাগী পুণ্যজদি মত্তে, ফমাগী

পূর্ণাম্বা থোকহল্লিবযো থগুদে, অদুবু ঐ হিংলবগুম মিংই। ইতেম্মা, চংসি ঐনা মহাকপু থিরগনি। দাদাগি শাউহুনা মুন্দা লৈগে লৈজহৌদন্নু, অদুবু ঐথোয় নহাক্কী মনাও-নুপীগী মাংলোই-পোক্তা পুক থম্মা চারুসি।"

প্রভামরীনা মাগী মাইথোংদা য়েংহুনা হায়রকই, "মঙণীগিদু ঐগোন্দা কয়েম্বিত্রা ইনাও-ইবুংঙো।"

"মন্তে ইতেমা, কয়েম্বা নত্তে। ভগি থম্মোয় শেংলো মহাক্কী আশীর্বাদ মিজখি, মহাক্কী মরদগী হন্নক্তি ঐহাক লাইবক কথা মী ওইনমবা। অদুবু অদুক পম্বিরম্নু, কি হোংথিকখো, ঐদু ওকিমক্কী কিসি হোংদোকউরগে।"

অসি হায়রগা মহাক পর-পরম চংলকই, ময়াম্মা হায়রকই, "মংঙোন্দা বার্ত্তোন তৌরক্তে, মঙ মফমত্তুদা কমদোনা চংকদগে?"

বিজয়না চপ লেপ্লগা হায়রকই, "মদু ওইবা য়াই। মথোয় ঐকাইবা নংবা য়াই। অদুবু কনাম্নু হায়রক্তুনা কদায়দা চংশদম্নু গুসিদি ঐ চিংনবা লৈত্রে, চেনশিন্দুনা হায়রকমিংই, অনিতা, মহাক্কা ঐদু লোইনমদে, মঙোন্দা ঐ শাউবা লৈতে, মৈচাক লৈতে, —ঈশ্বরনা মহাকপু য়াইফহনবিবা ওইসনু। দাদা, ঐনা হায়জবা য়াবিয়ু, শাউহনা লৈথোকপিগনু, ইতেমনু পুহনা চংশিক, থোই-দোক্লা ঐগী ওইনা অনিতাদা মথোয়না আশীর্বাদ তৌবিয়ু।"

মন্নাবা অমম্বুং মতৈমা মথোয় অনিমক ইকক-ফকটিনবগুম মঙোন্দা য়েংহুনা লৈত্রে। থগুহৌদনা মবাগিমক্লা উরক্লে, বিজয়গী

মাইথোংদা তরশংবা করেম-কথাইনবগী করিগুম্বা থুদম অমত্তা লৈতে, শাউবগী যাত্রৌবগী মখি মচেৎ অমত্তা মাগী থোক্কেলদা তারদ—শোয়দবমক থোক্লগদবা করিগুম্বা থুদোংথীবা অমদগী মাংহোকপদা হায়কম থঙদবা হয়াওবনা থম্মোয় থনথগুম্মী।

মনাওমচুপীগী মফমদা ইঙ্গিত অসি থাংজনগদবা মত্তে, ঈকাইবা নংবগী লৈশাদা প্রভাময়ীগী থম্মোয়-মুংদা থঙহৌদনা লৈ হৌরক্লে, করিমো যা অমা হায়গদবগী তৌরকই, অচুম্বু থোক্কেল কাজিন্দুনা লৈত্রে।

বিজয়না হায়রকই, "ইতৈমা, ঐগী মাফম পূম্নমক হায়দোক্লনবা ওসিন্নু মতম ওইদ্রি, করিগুম্বা ওইরক্লরা ওইক্লোইদ্রা হায়বস্লু খঙদে, করিগুম্বা ওইরক্লবদি করিগুম্বা মুমিত্তা, মুমিৎতুদা অচুম ওইনমক মহাক্লন্নু হায়রকপি, ইমাও-ইবুংঙো, মহাক লাইবক ফবা মীনি। নঙোন্দা আশীর্ব্বাদ তৌমি।"

লোইরবা



শরৎ চন্দ্রচট্টোপাধ্যায়গী

এলঃ রঘুমণি শর্ম্মনা

মণিপুরীদা হন্দোকচবা লাইরিকশিং—

